

অইবা অমসুং অফোংবা

ঊাংচা কৈসাম ইবোমচা

কুম-থোক্লা

ইরবা অমসুং কোংজবা :—
মঙাঙ্গ কৈলাস ইবোমচা

ছাপবা মুংনব :—ন্যাশনেল মশিন ২০০১
পাইথু লমনা ৩৩০০
ছলেমর মুং ১৯৮৬
লকন থোকপা অইবনী

মমল লুপা ৬·০০

[illegible]

য়াথৌদোক

কংলৈপাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা পুৰমক্তা লাওয়ি ইথৌ পোংনা, মথুদি ঐথোয় মীওইশিংদি মপুং ফাবা,ফুরুপ জাতি অমনি। ঐথোয়গী ঈয়েক, ঈরোল, ঈনাৎ, কংলৈলোন (ইতিহাস), থৌলন্ত-ফলোন (জ্যোতিষ) মথক কয়াগী মশাননা; থাংউলোন, (ফিলোসোফি) নচিংবা পুম্নমক সুনা লৈ হায়না। অচুম্বা ফুরুপ অমা ওইবগী লৈফম থোকপা থাপালোন (কেলেন্দর) অমত্তা ওসি ফাওবদা লৈত্তাক লোয়সওনা অমদি লৈপাক মীয়াম্না সকথওনা সিজিন্নয়ী। থবক থৌরম থৌদোক-রাথোক থুদিংমক্তা মীওইশিং ওইবা চৈচেং (তারিখ) ম্নাওনা ইবা ফোংবা ইরৈবাক লৈত্রী। লৈপাক অসিদা লৈরিবা কাংলুপ থুদিংমক্কা মাগী মাগী থবক থোকপদা গ্রেগোরিয়ান কেলেন্দর মীয়াম্না ইংরাজী কেলেন্দরনী হায়না লৌনরিবা অসিগী তারিখ অসিগা বেঙ্গলন ফোংবা থুংপায় নত্রগা পাঞ্জিকাগী থাবানগা অনি অসি সিজিন্নরী। মখোয়না ফোংওলিবসিংসি ঐথোয়গী লৈপাক্তা পীরক্তুবদি নত্রগা সিজিন্নবা য়াবে হায়না থিংগ্রবদি ঐথোয় ইংলাজী তারিক অমথুং থবান সিজিন্নবা তাবরা হায়না হংজনিংই।

ঐথোয়গী লৈপাক অসিদা চহী থুদিংগী চৈরাওবা থৌরম পাংথোকলী চহী থুদিংগী এপ্রিল তাং ১৩/১৪ দা হেক হেক অনি।" বঙ্গালীগী চহী লোইবা থুমিংতা মীওইশিংনা চৈরাওবে।

চহী হৌরে হায়নরি। বাহৈসিনা অমত্তুং থৌরম্না তাকপীবগী চৈরাওবা হায়বসি চহী [illegible] বঙ্গালীসিংগী চহী লোইবা নুমিৎপু ঐথোয়গী চহা হৌবা নুমিৎ ওইনা লৌবা কুমসিং (ইরা) না [illegible] লৌরগনা হৌন্নুন্ড সকারনবা লৌরিরবসি [illegible] [illegible] হায়না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমত্তুং [illegible] [illegible]। অচৌবা [illegible] অমা থওদোকপগী মহৎপু মথস [illegible] কয়া [illegible] [illegible]।

"শ্রীচৈতন্য গৌবিকা ধর্ম্ম লৌচৈতপগী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মনা হাকথকপগী (খৃঃ ১৭৬০) বঙ্গদেশ অমত্তুং আসামগী মতৌ [illegible] লৌনুবাস চৎত্তুনা বৈসাখ সংক্রান্তিদা (এপ্রিল ১৩/১৪) দা চৈরাওবা [illegible] পাংথোকখি" হায়না লাইরিক থরক্না ইরি। "[illegible] [illegible] মত্তোঙ্গা সরিক খিং খিং লাওবগা লোইননা [illegible] [illegible] [illegible] চৎত্তুনা চহী লোইবা নুমিৎনি তাকপনবই"। [illegible] [illegible] লাওই হায়হনা চৈরাওবা কৌই" (বাহেংবম [illegible] মনিপুর ইতিহাস লাঃ ২২)

ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা চৈরাওবা হৌজোকখি হায়বগি [illegible] [illegible] [illegible] "খৃঃ ১৭৬০ (সকাব্দ ১৬৮২) হিয়াঙৈ থাগী ১২ নি পানবা সগোলসেন নুমীত্তা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র ([illegible]) ভাগ্যবতী ঠাকুব খুঙ্গোং মনীরাজ [illegible] অমত্তুনা মৈতৈ [illegible] পাকী চন্দ্রাব্দ হায়না [illegible] লোক [illegible] [illegible]।"

সকাব্দ ১৬৮২ দা পুথোক্লকখিবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চওখি। [illegible] [illegible] ওইনবা [illegible] তাইবঙ্গমদ,

শ্রীরাম, চিত্রসেন, জয়রাম, ওইনাম আনন্দরাম, [illegible] অমথাকপা সাত্রাম মথোং মঙাম্ম মাওঙ্শি। লাইরিক [illegible] লৌইরবদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পেনজনা, ব্রাহ্মন বৈষ্ণব শিখিনবা, সামু হামনচিংবা, সনা রূপা দান দক্ষিনা থোংখি, সেন চাইখি। মনিপুরগী লোক চন্দ্রাব্দ অসিদা ৭১৮ হাপচিনগদা মসমাক পাঙ্গ তিনসিনগনা খৃষ্টাব্দ ওই (অরিবা মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস লমাং ২২০,২২১)

অদুগা ভাগ্যচন্দ্রগী মথক্তা পানখিবা ক্যাম্বা নিংথৌগী মতমদা খৃঃ ১৪৮৪ দগী চৈ পায়ত্না লাওবা তোকখি। (চৈ + থাবা = চৈ পারবা তোকখিবা) চৈ-থাবা অসি হিংসাংলোইনা [illegible] হ'য়না থেংনৈ। কনানা অমুক চৈ থাহ্নুনা চহীগী হুমিং [illegible] থীবনু চৈ-থাবা কৌই হায়রি। কনানা অমুক হাত্তবা চহী লোইবগী লাইরমবদা চৈ মমিং থাবগা সিগদবা মীগী মমীং অদুনা খুদম লৈংবনু চৈ থাবা কৌই।

মতৌ অদুন ত্রোত্ত্না মহাক মহারাজা থেংনকপা/নাবা পুজা/পুরান লাইরিক কনানা হুমকদ ওইবা অমাহিকমুং মহাক মহারাজ রাখনং লোনদ মীয়ামবু হুমহনা পুবা পাম্বা মীওই কয়ানু লাওরবা নাইড়ং। কনানা হায় হৌজিক হৌজিক চংথরিবা চড়ক পুজা হুমিত্তা লৌ-রিবসিনা হুমিং ৩৬৫ ই রোমনা চহীনি হায়বা চুমই। অমনা অমুক হায় [illegible] মকোক ওইরিবা সজিবু থাগী নোংমা পানবদা চৈরাওবমা (চহী হৌবনা) চুমই। অতোপ্পা অমনা অমুক হায় কোংবা সৈথোং কাংপগী থৌরম তৌরিবা হুমিং সজিবু [illegible] ৭ নি

পানবদা চৈরাওবা (চহী ছোৎবনা) চুমই। কনানা হায়রিব চৈ থাবা হৌথিবা হুমিং এপ্রিল থাগী চৈচং (ভাং) ওনা পারথোকপনা চুমই। কাংলুপ অমনা অমুক হায়রিব হুমিং মসীগী মথুবা মরুওইবা থা ওইনা লৌরীবা য়াকচীং থা (সৌর মাস) কী অহানবা চৈচংতা মীতৈ চৈহৌবা চুমই। হৌজিক ফাওবদা ফংনরিব। 'খুদম' চাংয়েং লাইরিক কয়া অসি ঐথোয় মীচম মীয়ামা খংদোক্লগা ঐথোয় মীতৈ ফুরুপকী অমত্তা ওইবা হুমিং অমা লৌহনা ঐথোয় মীতৈগী মপুঙ ফাবা ফুরুপ (জাতি) অমনি হায়না হায়বদা অওয়া থোদাং য়াবদা পুক্লিং চিংসিনজগনী। কুমহৌবা লাইরিকী মথুংদা হুমীং চৈওন ৭ কী হৌরকফম হায়দুনা য়াওরিবা অসী য়ুম্নাবা তঙফাজাও ইয়াম্বদগী পীনবীরকপনি।

মথকতা পনজখিবা থেংনবা কয়া অসী কয়ম্বা চৈরাওবা চৈহৌবনা অচুম্বা ওইগদগে হায়না নৈনবদা মতেং থরদং ওইবা য়াগদয়া খনজদুনা লাইরিক অসি ফোংদোকচরনি। মীয়াম চংনা অচুম্বা য়ানবা অমা পুথোকহুনা মালেমদা মীতৈগী সকতম উৎথোক্লবা অচুম্বা লম্বেলদা চংসিল্লসি হায়না ইরৈপাকমচা পুম্নমকতা থোজক্লো হংকংচরি।

কৈলাস ইবোমচা

"খুদোল তমজবা"

লুংসিবী ইম্ম কংলৈপাক্,
য়েক ভরেং য়োকলীবী,
চীঙমী তন্মী কোয়ীবী,
অচান মীয়ান নাইদবী
খুন্নমজরী ইমাগী খুয়া-খাদা।

পীনবীয়ু নচাদা
খোইথুমলবা ইমাগী খোমলাং
প্যাঙ্গল লৌসিঙ মৈয়া ফবা
পুসিনবীয়ু নচাবু
অচুম্বগী লম্বীদা॥

কংঙমজগে ইপা ইপুগী মচুম
লোখোকপীয়ো উরুমলৈমা
পীনবীয়ো নুংসা লৈমা
হীংজগে মীতৈ ওইনা
সিজগে ইমাগীদমকতা॥

কস্চরি ইমাগী খুয়াদা
পাংজত্রবা ননাইগী
হৈজত্রবা নচাগী
"কুমহোৌবা" কৌবা লাতমসে
লৌসিনবীয়ু হয়াও তৱায়া॥০॥

মন্তাংচা কৈশাম্ ইবোমচা
ইম্ফাল।

চৈরাওবা/চৈহৌবা মখল

কংলৈপাক্তা লৌরিবা মীতৈ ইপানা-ইপুনাৎ চৎলবা অমসুং হীন্দু ধর্ম্মদা লৈরিবা ইপা, ইতোন, ইচিঙ্গ-ইনাও-কয়ানা এপ্রিল থাগী তাং ১৩/১৪ দা চৈরাওবা পাংথোক্লরিবসি অচুম্বরা চুমদবরা-হায়না হংনবা থীগৎনরকপা অোংমা নোংমগী মসিং হৈনগংগরি। সজিবু থাগী পানথৎলকপদা থাগাইদা থাসিরমদাইদা, বেঙ্গলীগী চৈহি লোইবা সুমিৎতা এথোয়গী অহৌবা ওইনা লৌরিবা অসি কদাই ফাওবা চুম্বা, কদাই ফাওবা লানবগে? সুমিৎ কয়ানা থা, থা কয়ানা চহি, সুমিৎ-কয়া-কয়ানা চহী ওইগদগে? সুমিৎনা কদাইদা লৈবা মতমদা চহী হোগনি? থা/থাগী মমিং। রাহুম্মোক্কা করি মরী থোক্লবগে?

মথকী রাকমসিং অসি থম-নৈরবগী মওং ওইনা কাংলুপ কাংলুপ নত্রগা মরমনাইগী ওইবা রাখল কয়াসু পুথোকনরকলি। হৌজিক হৌজিক কংলৈপাক্তা চৈরাওবা/চৈহৌরিবা মখল মখা কয়াদি (১) এপ্রিল থাগী চৈচৎ (তাং) ১৩/১৪ দা চৈরাওবা (২) সজিবুগী থাগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা (৩) সজিবু থাগী গনি পানবদা চৈরাওবা (৪) এপ্রিল থাগী চৈচৎ (তাং) ৬দা চৈরাওবা অমসুং (৫) রাকচীং থাগী চৈচৎ (তারিখ) ১ (অমা) দা চৈরাওবা

১। এপ্রিল থাগী চৈচং (তাং) ১৩/১৪ দা চৈরাওবা :—

এপ্রিল থাগী চৈচং (তাং) ১৩'১৪ দা চৈরাওবগী থৌরম তৌব্রিবসি ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মতম হাকথক খৃঃ ১৭৬০ (শকাব্দ ১৬৮২) দা হৌদোকথিবনি হায়না লাইরিক কয়াদা থেংনরে। মসিবু চুমই হায়না সৌগংলিবা কাংপুপতি গৌরাঙ্গ ধর্ম্ম চংলিবা মীওই অহ ন লমন, মীওই মরুপ, অপোকপা মরুপনচিংবনি। মালেম লৈমা, ইমানা কোরৌ সুমিং ইপাবু মপুং ফানা অমুক্তং কোয়বদা চাউরাক্লা সুমিং ৩৬৫ চংবা সুমিং অসি এপ্রিল থাগী চৈচং (তারিখ) ১৩/১৪দা হেক হেক থোকই। অসিগুম্বা সুমিত্রা চৈরাও না অচুম্বা ওইগনি। চৈরাওবা মথক অসিগী তেংবাংবা লাইরিক্তি সঙ্কোং-লোন অমসুং লাইথুনাদিন লালুপ কৌবা লাইরিক্কি।

থৌনবা :—মথক্কী লাইরিকসিংদা পিরিবা থাগী রাহস্মোক্কা মপান্দা থোকলিবা থোদোক্কা থেন্ননা উবা য়াওই। করম্বা থাদা সুমিং কয়া কয়ানা সাগনি। করম্বা থাদগী মসিও থীবা হৌগনি করম্না থীগনি, কুমসিওগী মমিং অমসুং, তেংবাংবা থাপালোন (কেলেন্দর) ওসি ফাওবা পুথোকত্রি অমসুং উবা ফংত্রি। ইকাইথুম্ন-রবা লৈখিত্রবা অহ ন ইবুংডো তখেল্লম্বম যোক্কুলনা International Assatic Meetei Cultural Tradition seven days (13-4-1980 to 19-4-80) conference গী মীফমদা অইবগী রাহ' পাউথুমদা অস্তুম্না তাকপিরমই মতুঙ্গি "ঐঙ্গি অহ ন মতম ওইরে নহারোল নখোয়না অক্কপা পাইব্না অচুম্বা অসেংবা অমা ওইনবা থীহোরো"।

২ সজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবা ঃ—

কঙলৈপাক্কা লৈরিবা মীওইশিং কংলৈচা নত্রগা মৈতৈ হায়বা কৌবশিং হায়রিবা কাংলুপশিং, চড়কপুজা নুমিত্তা তৌবা পামজদবা, অমসুং লায়ি চুমই থীদবা মীওই থরগনা সজিবু থাগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা চুমই ; শীরামলা চৈরাওবিয়ু হায়না খাজবগী পোয়নলা কয়া সন্দোকখি। খৃঃ ১৯৬৭ দা ফ্রেগুস টকিজদা মৈতৈ ইরাং পামজবা অমসুং লুংসিজবা মীওই কয়া কমহুনা চৈরাওবা থেংনবু সজিবু থাগী পানথংলকপদা থায়াহৈদা অমসুং থাসিবমদাইদা পাংথোক্কনা অমদি সজিবু চৈরাওবনা কৌবনা সজিবু নোংমা পানবদা হেক্তা চৈরাওবরসি, অহু। মবা তানা থীজিনবদা অসেংবা খুদম চাংদম হেন্না ফংলগা অমুক থাদোকনসি হায়হুনা অহস থরবা হৌদোকপদগী অরাম্বা য়ানখি।

চুমই হায়বগী য়ুমফম ঃ—(১) সজিবু থাগী পানথংলকপদা থায়াহৈদা অমসুং থাসিরমদাইদা চৈরাওবা অসি হীন্দু ধর্মমা চড়ক পুজা নুমিত্তা তৌহল্লমবনি মী,ত / মৈতৈ এখোয়গী দি সজিবু নোংমা পানবদগী হৌগদবনি মরক অতৈদগী হেবা চুমদে। (২) মীতৈ হীন্দু ধর্ম্ম চংপস্থ চংতংস্থু থেংরম কয়া পাংথোকপদা অকবা থবান নুমিত্তা পাংথোকই। (৩) সজিবু থ.দা কুসুমটৈন (কুম-স্থলৈ) সাংলে। (৪) কোম্বীবৈ (কুম-পী-লৈ) সাংলে। (৫) সজিবু থাদা চৈরাওই হায়হুনা সজিবু চৈরাওবা কৌরিবনি (৬) রাচেংলোন পাথুপ পুয়াগী অরোইবদা য়াওরিবা রাহৈ "লাইরিকপু জয়াপতি সজিবু নোংমা পানবদা মপুম্বী তসং পাউপু

ফংপদা হুমাংনি পানবা ন্যুমিত্তা ঈসাইফু ঈলোননুংত্তা তম্পাং মপুমা সজিফু লৈথুন তৌলকপা মিলেল-পাপোৎ লোমথনা অতুগী মতুং ইন্না তলেপনিপানবা ন্যুমিত্তা "ঈচপানে" হায়রিবা অসিগী মতুংইন্না নোংমা পানবদা চৈরাওবা চুমই।

নৈনবা ঃ—(১) কুমসিংগী মমিংঃখরনাঃমাল্লিয়াকম পালচা খরনা মালিয়াকম পালচা, খরনা কর্লি কুমসিং অমসুং চন্দ্রাব্দদা পী। (২) করম্বা লাইরিক নত্রগা পুয়া/পুয়ানদা সজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবা/চহী হৌবগী মতাং য়াওবা থেংনত্রি অমসুং পুথোক-নরকত্রি। লুছোংবা, লাই হরাওবা, চওরগী থৌরমনা অকবা থবামদা থৌরম পাংথোকই। ঈপাল লাম্বথৌরম, কী রোইনচিংবা থৌরমনা তারু তারুং নুমিং মসিংগী মতুংইন্না পাংথোকই। থবান ফত্তে হায়তুমা য়েথোক/য়েসিন তৌদে। নুমিং মসিংসু থুংথোক ওইনা মসিড কাথদনা অমসুং হঞ্জিন্দনা থীথে।

(৩) সজিবু থাদা কুম্মমলৈ (কুম-মলৈ) সাংলে —

হায়রিবা লৈ অসি কংপৈপাক্কী ওরিজিনেল ওইদে। পাঙল ইচিল ইমাওসিংনা পুসিল্লকপানি অমসুং লোলনা আরবিয়ামনি। হায়রিবা লৈরাং অসি মথন্তা হৌজরকপা নত্রগা সাংচবা নত্তে। ওন্না মরু হুল্লগা ওন্না সা লি থেংনা হুল্লগা থেংনা সাংলি। (৪) কুম্মপীলৈ হায়বনি হায়রিবসি য়াচেংলোন পথুপ কৌবা পুরাদা অমসুং মনিপুর লৈঙাক লোয়সঙগী ফোরেস্ট ডিপার্টমেন্টনা ফোংবা য়াল পোস্টরদদি কোনপীলৈ (কোমবীরৈ) হায়না ইবা থেংনজে। অত্থুগা লৈ অসিনা সজিবুদা সাংপা খোইদ্রা অতুনা লৈগী মমিং

কুমপীরে হায়দুনা কুমপীলে (কুম্বীরৈ) কৌই। কোম্বীরৈ সাৎপা হৌবা মতম্না চহী হৌবা তারবদি তাং ৩/২/৮৪ ইরাই হুমিংকী "প্রজাতন্ত্র" পাউজেস চেদা ফোংখিবা "কোম্বীরৈ অসি সধারন ওইবা রাখলদা সজিবু মতমদা সাৎলি হায়না নিংনৈ অদুমকপু মসি রাকচীঙ থাদমু সাৎলি হায়না ফোঙখিবা থেংনৈ। (৫) নিংথৌগী চৈরাকনা নমদুনা তৌহনখিবা অমসুং চহী লোইরে হায়দুনা লাউববু চৈরাওবা কৌই হায়রবগী মতুংইন্না লান্না সজিবু থাদা থৌরমসিবু চাদোল সুদোলনা কাউদনবা হায়দুনা থোলম্বনি হায়নিংই। (৬) রাচেংলোন পথুপ কৌবা পুয়াদা ইরিবা "লাইরিকপু ঈচাপতি সাচিকু নোংমা পানবতা মপুগী তলং পাউপু ফংপনা হুমনি পানবা নুমিত্তা ঈসাইফু ঈলোননুংতা তলং মপুনা সজিফু লৈথুন তোলকপা মিলেল পাপোৎ লোমপনা অদুগী মতুং ইন্না তলেপনিপানবা নুমিত্তা ঈচপানে" হায়রবগী রাহম্ভোকতি— লাইরিক অসি ইখিবগী রারী লীখুন তাকপনি। সচিফুগী নোংমা পানবগী হুমিংতা হুকচাং কয়াৎ কাঙলোন ওইবা রাচেংলোন পথুপ কৌবা পুয়া (লাইরিক) অসি ইনবগী রাখল লাকপবু মপু মাগী তলং পাউ ফংপনি হায়দুনা অইবনা সৈথাজবনি। হুমনি পান্বা হুমিংতা রাখল লৌসিং মপুং ফারে হায়না সৈথারি। অমুন্না মপুং ফারবা রাখলরোন অদু সজিবুগী ৭নি পানবা হুমিংতা মাইচৌ তরুকুকী মমাংদা অপোইননা মায়চৌনা রারী রাখুল লীরপা লাংকোন্ লুখোইনা লাইগী চৈ পায়দুনা রাচেংলোল পথুপ কৌবা পুয়া ইথি হায়রবা তাকলি, সজিবু নোংমা পানবগা

চৈরাওবগা রাচেংলোল পথুপ ইখিবগী নুমিৎকা থোইদোকপা মরী লৈনদে হায়না ঙাংনবা মীওই কয়াসু য়াওদ্রা নত্তে। (৭) করম করম্বা থানা নুমিৎ কয়া কয়ানা সাগনি, থা কয়ানা চহী, নুমিৎ কয়ানা চহী সাগনি, চহী কয়াদা নুংকাং (লিপ ইয়ার) নত্রগা চহী কয়া কয়াদা থারোম্লবা (মালমাস) লৈগনি। করম্বা থাদা থারোম্লবগী থা ওইগনি? (৮) থাগী চহী (নুমিৎ ৩৫৪না সাবা) বু কুমজা হায়না লৌবা তারবদি থারোম্লবা (মালমাস) লৈবা চহী (নুমিৎ ৩৮৪ না সাবা) হায়বদি নুমিৎকী চহীদগী (নুমিৎ ৩৬৫) দগী নুমিৎ হেনবা চহীবু কুমজাউ (কুম অচৌবা) কৌগদ্রা হায়না হায়নবসু য়াওরি (৯) মীতৈগী ওইবা করম্বা খুং-হোৎনা নুমিৎ থা কুমসিং পুথোকপা/হোৎপা য়ারব্রা? (১০) থৌরম অসি পাংথোকসকপা চাউরাক্লা চহী কুনলোম সুজিল্লকলে অহ্নবু নোংমা পানবনা মকোক চীংহুনা/হৌহুনা নুমিৎ মসিঙ থীবগী থা-পালোন (কেলেন্দর) ঙসি ফাওবা পুথোকপা উদবদা মীয়াম্না পেন্নদে। (১১) নুমিৎ মসিং থীবদি থাবানগুম্না থীবা য়াদে, মরমদি থবানদি ১গা ২গা; ৭নিগা ৮নিগা; ২৯গা ৩০ নিগা পুনবা য়াওই। ঙসিসু ১১নি (একাদসি) হয়েংসু ১১ নি (একাদসি) ওইবা য়াওই।

সজিবু নোংমা পানবা নুমিৎ অসি নুংথিল পুং ১দা চংলবদি হায়বদি পুং ১ গী মমাংদা থাসি ওইবা তারে পুং ১ গী মতুংদা চৈরাওবগী থৌরম তৌগদরা॥ নত্রগা সজিবুগী নোংমা পানবগা নিনি পানবগা পুন্না নোংমতদা পানমিন্নরবদি, অয়ুক্কী পুং ৮/৯ দা

নোংমা পানবগী পুংফম লোইরবা পুং ৮/৯ গী মতুংদগী ২ নি পানবা চংলবদি পুং ৮/৯ গী মমাংদা চৈরাউবগী থৌরম লোই-থোকপা তাববরা ? অসুন্না পুন্না পানবা মতমদা থাসি চৈরাওবা হায়গদ্রা, নোংমা পানবা হায়গদরা নত্রগা নিনি পানবা চৈরাওবা হায়গদরা হায়না হংনদবা, ঙাংনদবা য়াওদবা নত্তে ;

মুসলিম ইচিল ইনাওসিংনা মখোইগী চাকহেন থা লোইবগী ইদ কুম্মৈ পাংথোকপদা হান্না লেপলম্বা নুমিৎ অদুদগী নোংমা ওনখৎপা নত্রগা নোংমা থেংথবা হেক হেক থোকই। মসিগী মবমদি নোংমা পানবগ পুং অসি খরা পিকলবদি থাগী মসক উবা ফংদে। নোংমা পানবগী পুংফমনা খর চাউরবদি উবা ফংই। মরম অসিনা নোংমা পানবা নুমিত্তা মালেমগী মফম অমদা থা উরবদি নিনি পানবা (মথংগী নুমিত্তা) ইদ কুম্মৈ পাংথোকই। কবিগুম্বা নোংমা পানবদা থা মসক উদত্তুনা নিনি পানবদা থা উববদি হুমনি পানবদা ইদ কুম্মৈ পাংথোকই/ পাংথোককনি। অয়াম্বা মতমদা হুমন্নি পানবদা পাংথোকলী। অদুগা ঐখোয় মীতৈদি থাগী মসক য়েংলগা থৌরম পাংথোক্লদে। কোংলিবা কেলেন্দর অমদা য়েংলগা অদুম পাংথোকই। অদুবু কেলেন্দর অমনা ওসিনি হ'য়, অতোপ্পা অমনা হয়েংনি হায়রি। কনানা কনাগী চুমই হায়বদা লুনা থোকই।

৩। ইবোম অমুবাগী "সজিবু চৈরাওবা সীওসৎপগী মওং কোবা লাইরিক্তা মীতৈগী চৈরাওবা সজিবুগী ৭ নি পানবা নুমিত্তা পাংথোক্কনি হায়না তাকপিরি।

চুমই হায়বগী য়ুমফম ঃ—(১) চহী খুদিংগী সজিবুগী ৭নি পানবা নুমিত্তা কোংবা লৈথোং ফাংপা সজিবু লৈথুন ফুনবা হায়বা থৌরম অমা পাংথোকলি। (২) থা অমা নুমিৎ ৩০নি সাই। চহী অমদা ৩০ X ১২ = ৩৬০ না সারিবা অসিদগী অমুক নুমিৎ সিংবুম ৫নিনা য়াংলেন পুংলুপ তেংকোৎ ঈরিক কাংগস মাবু য়াংলেন পুংথোইয়ে (লাঃ ১১) হায়বদি চহী হ'য়বসি ঃ মিৎ (৩৬০ + ৫) = ৩৬৫ পুং খর মিনিট খর সেকেণ্ড খর হেন্না সাই।

নৈনবা ঃ—(১) চহী খুদিংগী সজিবুগী ৭ নি পানবা নুমিংতা কোংবা লৈথোং ফাংপা সজিবু লৈথুন ফুনবা হায়বা থৌরম অমা পাংথোকলিবসি মমাংতৈদগী তৌরকপা নত্তে কাইনথংদা পাং-থোকখিবনি হায়বগী খুদম ওইনা ভারিয়াম্বম কুল্লচন্দ্র পণ্ডিতকী "কংলৈ নিংথৌ চহি।" কৌবা লাইরিক্কী লাঃ ৫দা য়াওরিবা অমস্তং হয়রোম অমুবীগী সজিবু চৈরাওবা সিংসৎপগী মতং" কৌবা লাইরিক্কী লাঃ ৮দা য়াওরিবা "নোংদা লাইরেন পাখংবগী মথক্তা পানখিবা লৈহুং লোঙ্গা অরিবনা পলেম পম্হৌ অনিনা য়াংদৌবী য়াংদৌবা কৌনা কুমজা থাজা সাখিবগী লৈথোং ফাৎকমদি কংলা লৈথোংদা ফাৎতুনা থৌনিরমই। মথংদা কুমসিংবু কুমওন্নরে থাজবু থারোম্নরে হায়বগীদমক্তা তোকখিত্নুনা কোংবা লৈথোং ফাংখিরে।" অসিনা তাকলিবদি মীতৈগী লৈজরম্বা কুমসিং মমিং মসিঙ অমস্তং অহৌবা থা লৈজরিতৈদা কংলাদা লৈথোং ফাৎলমবদগী হেংদোকখিবা মতুংদগী কংলা লৈথোং ফাংপা তোকতুনা কোংবদা লৈথোং ফাৎ-হনখিবগী য়া য়াওরি। মসিনা তাকলিবদি কোংবা লৈথোং ফাংপগী

থা অসি মীয়াম ধর্ম্ম লাকপদা তৌহনখিবা হায়বদি চড়ক পুজাগা লোইনররকপনি হায়জনিংই। (২) থাবানগী চহী সজিবু ৭নি পানবা অমদগী মথংগী সজিবু থা ৗ ৬ নি পানবা ফাওবা হুমিং ৩৫৪নি ওই, থারোম্নবা (মালমাস) লৈরগা হুমিং ৩৮৪ নি ওই। তৌই-গুম্বসুং অইবগী ফোংদোকনবা লাইরিক্তা চহী অমসি হুমিং ৩৬৫ পুং খর মিনিট খরা, সেকেন্দ খরনা সাই হায়না তাকপিরি। অসেংবা হুমিং মসিগুনা খেন্নগা লৈবা অসিনা চহী অমা হায়বসি হুমিং কয়ানা ওইগনি হায়বগী মতাং চমমনবা পোকহল্লে। (৩) মীতৈ কুমসিংগী মমিং মসিং কয়া স্নরবগে কদাইদগী পাবা হৌই হায়বা পীদে। (৪) থা থাগী হুমিং মসিঙ অমসুং রাহম্নোক পীদে। (৫) সজিবুগী ৭নি পানবা হুমিত্তুগী থীবা হৌবা থাপালোন/কেলেন্দর গুসি ফাওবা ফোংবা উদে। (৬) সজিবু ৬নি পানবগা ৭নি পানবগা নত্রগা ৭নি পানবগা ৮ নি পানবগা নোংমত্তদা পুন্না পানমিন্নবা য়াওরবদি ৬ নি পানবা চৈরাওবা হায়গদরা ৭নি পানবা চৈরাওবা হায়গদরা নত্রগা ৮ নি পানবা চৈরাওবা হায়গদরা হংজনিংই। (৭) অইবগী লাইরিককী লাঃ ৮ দা চৈথাবগী লাইরোলদা অসুম হায়রি "ঐবু সীজবা ইবুংঙো লাইনিংথৌ নোংথৌরোল অনৌবা তাইবং সোরারেলনসু পোংহুল তাবও নমু তুবি য়োইলাংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা অচৌবা লাংমাই নিংথৌ কাইনৌ চিংসাম্বা চীংগু অনিমক্কী লোইদাম্ব মকুমসাবু মৈনা রাই তাংনা সম্না নমু নোংথৌরোল খুদিংদা কোংবা লৈথোং ফাং সজিবু লৈখুন ফুল থাংজিং মথোক লাং থোক্লাং

মচৈ থাং পাথং হুয়েন লান পান্বনা হুয়েন লান্দাথোক কংলা মচল থোক হুয়েন লমজাও ফানা চৈ সিনাই-ননি লোংবনা থোক্লাং কাম্বুচৈ শরিক থিং থিং থাংলা, লৈরক থৌগাই চৈবু থোক্লাং লেংলা থোংবা চৈ থাবা কুম লোইদাম কুম্বা অনৌবনা চৈগারকপা. অসিদা কয়েহোৌদি মাবাও লান্নবাও কয়েক য়েক্লা পুন্নমক্কী খাঙ্গে লোইনে তান্নহুনো লানেম খুনজিন লানজিন মীচন মীপাও হকথি সোইনাই তিল্হুং লাইথুং আয়াল-অহুই পুন্নমক্কি নদাইরেম ঐনা ভাংজা পুদা থোংনা পুজরগে"।

মথকী অসিগী রাহম্বোক্কি ঃ—ইবুথৌ পাখংবা পোকলকপগী (মীয়োলবগী) থাগী রাহম্বোক্কা মরি লৈনবা চহী হৌরম্ববু, পুয়া মৈ থাখিবদগী সজিংবু থাদা চৈ থোকসাং পায়হুনা সরিক খিংহুনা লোইদাম কুম্বা অনৌবনা (সেমদোকলবা চহী অনৌবা,) চৈগারকপা অসিদা নিংথৌগী লৈবাক্কী মহুৎসিন্না ফত্তবা পুন্নমক ঐনা (চৈথাবনা) পুজরগে হায়রি। চৈ থাবনা হায়রিবা রারোল ঐবু সিজবা হায়বা রারোল অসি নিংথৌগী উসিল তৌববু য়ানিংদবা উৎথোকই। (৮) অইবগী লামাই ১১ দা য়াওরিবা "লাংহৈ কুমসিং চাহৈ অমদা কোরৌ মুমিৎ সীংবুন ৫নিগা রাংলেন পুংলুম তেংকোৎ ইরিক কাংগল মাবু পুংথোইয়ে হায়বগী লাংহৈ কুমসিঙ ৬ সুরকপা খুদিংমক্তা উনথম কাম্বী কুমথাই কুমদম লোইখিগনি হায়বগীবু লোইদাম সাজী চীনকোঙ্গী থাজ মাবু থারোন্না থাচেংনখিয়ে হায়দবরা লাংহৈ কুমসিং ৬ সুরকপদা কুমজা লাকয়েন ভাইববু তায়া উঃহ হৈসোইদনা পামেল তাউজিং হৈকাংফদনা সিঙেন লৈসাং

লৈতুং ইন্না লৈমী মীতম পাংসোইদনবগীবু থাক্স অহল মাবু থাগ্নৌ দনা লোইদাম অকোনববু থাজংখিয়ে"। কুম খুদিংগী হুমিৎ ৫নি অথোইবা অসিনা চহী ৬ খুদিংদা হুমিৎ ৩০ নি নত্রগা থা অমা [illegible] থাগী [illegible] ([illegible]) থাক্স থাবু থাগ্নোম্বা থাম্নি লৌই। অদুগা চহী ৬ খুদিংগী থাগ্রোম্বদুগা হৈয়াং লৈয়াং মতম গুননবা পান্দনবগীদমক অহানবগী থাবু লৌদুনা অকোনবগী থাবু লৌই হায়না তাকপিরি। অদুবু থাবানগী (নুলব ইন্নার) চহীদি হুমিৎ ৩৫৪ নিনা সাই অদুগা চহী ৩ খুদিংগী ওন্না নত্রনা ৮শুবা খুদিংগী থাগ্রোম্বা (মালমাস) লৈত্থনা হুমিৎ ৩৮৪ [illegible] সাই।

৪। ডবলিউ, ইবোহলনা ইবা "On fixing *the date* of cheiraoba" (তাং ১৬/৬/৮০ ইংদা ফোংলবা) লাইরিক অসিনা মীতৈ চৈরাওবা অসি এপ্রিল থাগী তাং ৬ তা পাংথোক-পনা চুমই হায়না ইরি। অইবনা মহাক্কী লাইরিক অসিদা থবানদা চৈরাওবা/চৈহৌববু য়ানিংদবা ফোংদোকলি। মরমদি থবানগী চহী অসি হুমিৎ ৩৫৪ না অমুক সাই, হুমিৎ ৩৮৩/৩৮৪ না অমুক সাই, চহী অমগী হুমিৎ মসিগী হোংদোক হোংজিন তৌববু য়ানিংদবসু ফোংদোকই। মীতৈনা থবান সিজ্জীন্নরিবসি হীন্দু ধর্ম্ম লৌরবা মতুংদা লাকপনিসু তাকপীরি। অইবগী মাথলদা খৃঃ ১৪৮৫ গী মমাংদা মীতৈ কুমসীগু লৈরমদে হায়না ইবিরি। খৃঃ ১৪৮৫গী এপ্রিল তাং ৬ দা ইহান হানবা চৈথাবা হৌখি। মরম অদুনা হুমিৎ অসিদা চৈরাওবা নত্রগা চৈহৌবনা চুমগনি হায়নসু ফোংদোক্লি।

(১) চহী খুদিংগী সজিবু থাগী (সোলর মন্ট) অহানবা নুমিৎ অসি এপ্রিল থাগীনা চৈচৎ ৬তা চৈরাওবা নুমিৎ ওইগনি হায়না ফোংদোকপিরি। (২) সজিবু (সোলর মন্ট) চৈচৎ তাং ১দগী লমতা (সোলার মন্টপী) অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা নুমিং ৩৬৫ রোম ওইগনি। মালেমগী সোলার মন্থগা মান্নগনি (৩) থা/থাগী নুমিৎ মসীওদি নুমিৎ মসীও ২৯ দগী ৩২ ফাওবা ওইগনি ; (৪) মীতৈ কুমসীওগী মমিং ক্যাম্বা হায়না কৌগনি, মসিও থীবনা খৃঃ ১৪৮৫গী এপ্রিল তাং ৬ তা সজিবু ১-১-১ ক্যাম্বা হাযনা লৌগনি হায়বিরী। মসিগী মমাংগী চহী/কুমসীওদি ক্যাম্বগী মমাং (B. K. = Before Kyamba) হায়না লৌগনি। (৫) নোংমগী নুমিৎ লৌবগী নোংয়াই মতুংদগী মথংগী নোংয়াই ফাওবা নোংমা (নুমিৎ অমা) লৌগনি। (৬) নুমিৎ নুমিৎ অতুগী থবানসু নোংয়াই অমদগী মথংগী নোংয়াই অমা ফাওবগী মতুংদা লৈবছু লৌগনি। (৭) থাসিগী নোংয়াই মতুংদগী মথং থাসিগী নোংয়াই ফাওবা থবানগী থা অমা ওইগনি থানিল (পুর্নীমা) না থাবান থাগী ময়াই ওইগনি।

নৈনবা :—ইকাইখুম্নরবা অইবনা চহী হায়বদি চাউরাক্না নুমিৎ ৩৬৫ রোম্না চহী সাগনি, লোইননা মালেমদা চৎনরিবা সোলর ইয়ারবু সৌগৎপসি অচুম্বনি হায়জনীংই। থাবানদা চহী হৌতুনা চহী অমগী নুমিৎ মসিও থীবা য়াদে হায়বসি ককপা ঋান্নবা রাফমনি। করম করম্বা থাদা নুমিং কয়া কয়ানা সাগনি, লুংকাং চহীদা (লীপ ইয়ার) দা করম্বা থাদা নুমিৎ মশিং হেনগনি

হায়রিবী মতাংদা মরেক লেংবা য়াংলি। খুৎহোৎকী মতাংদি হুৎন্দু সান্নদা মরু ওইবা খুমফম ওইবা য়ুমফম ওই, মীতৈগী অরিবা পুরা। লাইরিক নৈনবা থরা য়াংনা উই। খুদম চাংদম পীবস্থু থম্ব য়াংলি হায়না খল্লি।

(৫) **বাকচিং চৈহোবা**ঃ—চড়কপুজাদা চৈরাওবগী নোংমা পানবদা চৈরাওবম্বা মীতৈ ঈনাৎ চংচবা মীওই কয়ানা সাবা "মাম্নবা অপুনবা মরুপ" কী মীওইসিংনা মরু ওইনা পাংথোকপা থৌরম অমনি তাং ১৩ এপ্রিল ১৯৮০ দগী ১৯/৪/১৯৮০ ফাওবা ইম্ফাল জি এম হোলদা পাংথোকখিবা, "ফাস্ট ইন্টরনেসনেল এসিয়াতিক মীতৈ কলচর ট্রেডিসন" কনফরেন্সতা, লাইখুলেম্বী ক্লাইবুংদা তাং ১২/৯/৮১ ইং দগী তাং ১৬।৯।৮১ ফাওবদা পাংথোকখিবা "অপুনবা ঈনাৎ লীচং মীফম" দা অমসুং য়াথোংদা ফমখিবা মীফম কয়াদা মরুপ অসিগী মীছৎ মীওইনা য়াকচিং চৈহৌবগী মরম ঙাংবিখি। থাগী থাদা (থাবান্দা) চৈরাওববু হুমিং ৩৬৫ শুদে লাল্লি। হুমিংকী থা (লোন্নাগী মণ্টকী) অহানবা চৈচৎ (তারিখ অমদা) চৈহোবা চুমগনি, মসিনা হুমিং ৩৬৫ পুং৫ মিং৪৮ সেং৪৭না সাবা চহী দা চৈহোবা চুমই কোংদোকখি। মরুপ অসিনা মথা তানা কোংদোকখি মতুদি চড়ক পুজা বেঙ্গলীগী চহী লোইবা হুমিত্তা মীতৈ ঐথোয়গী চহী হোবা লাল্লি থংবদগী; এপ্রিল ১৩/১৪ দা চৈরাওবগী থৌরম্ তৌরমগা, সজিবু নোংমা পান্নরনা চুমগনি খন্দুনা নোংমা পান্দদা চৈরাওবা য়াওজরমই। নোংমা পানবদগী মথংগী ফাওবদা হুমিং ৩৬৫ সুদবা ১সুং হুমিং ৩৬৪না

সাবা অহুমগা চহী ৩ খুদিংগী নাক্রগা ৮ সুবা চহীদা নুমিৎ ৩৬৫ য়ু চহী সাবা, লোইননা থবাননা চহী অমগী নুমিৎ মসিং থীরবা য়াদ-দবদনী থাদোক্তুনা খুদম চাংদম য়েংবা ফংবা য়াকচৌংগী চৈচং (তারিখ) অমদা মীতৈ চৈহৌবা পাংথোক্কনি। মসিবু লাল্লমনবা, মসিগী হেন্না খুদম চাংদম ফংলকপবদি অমদি অচুবা ওইরবদি য়াকচৌং চৈহৌবদগী হেন্না য়ুমফম ফংবা অহুদা য়াওরগনি। থোইদোক্না অয়েক্না লৈতবগী য়াফম নত্তে, অচুবা অসেংবা অছুত্ববু পামজবা অমসুং থীজবনি হায়রি।

<u>য়াকচৌং থাদা চহী হৌবা চুমহৈ হায়বগী তেংবাংবা অমসুং য়ুমফম ওইবসিং</u> ঃ

(১) য়াকোকলোন হীলেল থীলেল সগাই অয়াইলোন পুকোক পুয়াগী অহৌবদা য়াওরিবা "পুয়া অসি পামহৈরা হৈকথক্কা সিনথোক্পনে লেপনা থংগীও পামহৈবা হাকুথক ফাওপতা মালিয়াফম পালচা চৈহি কুমসিংগী চৈসিং চৈচং ৩১০৭ সুপাপনে চৈহীগী কুমহৌ অহানবা নুমিৎতা সিনথোকপা। হৌপনা নুমিৎ ১৫ নি চঙনা য়াকচৌংগী থানিলতা লোইয়ে॥ লাইরিক অসি য়াওবা য়াত্রাপনা চাউবা ঐনা সিনথোকহৌপনে

(২) মথক্কী পুয়া অসিগী মখুংদা অমুক য়াওরিবা "মালিয়াফম পালচাপু ইঙা কুমডম ঈডেস কুমথাই মতম লৌতুনা। মসিডগী কুমচং সিঙথারোল লাইদি লাইচত/নুমিত/থাসিঙ চহী/চচঙ হেং হনথিয়ে"॥

রাহহোকং- ঈগুঙা কুমতম ঈঙেল কুমথাই মতম লৌতুনা হায়রবদি রাকচীংগী হুঙা ফাওবা থা ৬পু কুমতম, ঈঙেলদগী পোইহ্ ফাওবা থা ৬পু কুম থাই মতম হায়না সৈথারি, ঙসি ফাওবসু হায়নরি ॥ মরম অসি লৈবনা রাকচীংগী থা মসিঙ হীবা হৌগনি হায়বা তাক্কই।

(৩) রাকোকলোল থীগেল সগাই অমাইগোন পুকোক পুরাগী মলুংদা য়াওরিবা "আলিয়াকম পাগচানা ঈগুঙ কুমতম ঈঙেল কুমথাই মতম লৌতুনা মসিতগী সিঙথারোল লাইনি লাইচত থাসিং চৈচং হৌহনখিয়ে"।

রাহহোকতি মথক্তা পীরিবা অসিনা অমত্তনি ॥

(৪) য়ুম্নামচা বৃদ্ধিচন্দ্র ১সুং নিংথৌমচা মনীপ্পা অনিনা তাং ১।১।১৯৮১ ইংদা ফোংবা "ইমোইনু অহোংগী তুঙাকম" লাইরিক্কী লামাই ২৬দা য়াওরিবা "চহী কুমজ' কুমচনবা কুমগী লাকয়েল তাইবদি লোইদাম রাকচীও থাগী থাজ তরানিথোইনি পানবদা ইমোইনু অহোঙবী ঐগী লাকয়েল ওমদাই নোংনি।

রাহহোকং—চহ। (কুম) অমা লোইহনা অনৌবা চহীগী তাইনব', চহী হৌরব', হুমিংকী থা (সোলার মণ্ট) রাকচীও থাগী অমসুং থাবালগী (লূনর মণ্ট) থাগী তবানিথোইনি পানবদ ইমোইনু অহোঙবী ঐগী অনৌবা কুম অমগী থৌরম হুমিংনী। মসিনা তাকলিবদি রাকচীও থাদা চহী হৌরে হায়বা অসিনি।

(৫) ওারিয়াম্বম কুলচন্দ্র পণ্ডিতকী "কংলৈ নিংথৌ চহী ১১ কৌবা লাইরিক্কী লামাই ৫ দা হায়রি "নোংজা লাইরেল পাখংবগী মথক্তা পানখিবা লৈহুং লোঙ্গা অরিবনা পলেম পঙ্হৌ অনিনা

য়াহঙৌবী য়াংদোবা কৌনা কুমজা সাখিবগী লৈথোং ফাংফমদি কংলা লৈথোংদা ফাংতুনা থৌনিরমই। মথংদা কুমসিংবু কুমওন্নরে থাজবু থাওন্নরে হায়বগী দমক্তি" কোংবদা লৈথোঙ ফাংখিয়ে লাঃ ৮ প (সজিফু চৈরাওবা সীওসংপগী মওং) মৈতিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবগী মথক্তা পানখিবা পাখংবা লৈহুং অহিবদা .... কোংবা লৈথোঙ ফাংখিয়ে

রাহন্থোকঃ লাইগী মমৈ, তাইবঙ মীগীদি পুক্নোক্ষ ইপুথৌ পাখংববু সাখিবদা পস্থোদা রাকচীং ফাইরেল থা ২ লৈরমলগা, লমদা থাদা ইমাগী নাওথীফমদা মরু তাত্তুনা থাবুম ১০ লৈরমলগা, পোইতুদা পোইথোরবপগী (পোরবপগী) মতুংইন্না চহী কুম হৌরিঙৈদদি মীতৈগী অসেংবা থুভম, হৈবধৌ পাখংবগী পোকনফম কংলাদা রাকচীঙ থাদা লৈথোং ফাংলমই। মমৈথংদা মীতৈ কুম-সীঙ অরিবা পালচা কুমসিঙ তোক্তুনা সকান্দ কুমসিঙদা ওনথোকখ্রে। রাকচীং থাদা চহী হৌরমববু বৈসাখকা চান্নবা সজিবু থাদা চহী হৌইন্দুনা ওন্নবা পাংথোকখ্রে হায়বা তাকই। পালচা কুমসীঙগী রাকচীং চৈচং অমদা চহী হৌরিঙৈদদি কংলাদা লৈথোং ফাংলমই; কুমসিঙ অমসুং থা হোংহুনা ওন্নবা চহী হৌখিদগী, কংলাদ্ম লৈথোং ফাংহনদহুনা কোংবদা লৈথোং ফাংহনখি হায়বা মথেক ষেংনা তাকই। মুমলোমনা লৈবা আসামগী আসামীসিংনা রাকচীং থাদা "মার্ঘ বিহু" পাংথোকলমববু হীন্দু ধর্ম্ম চৎনুবদগী সজিবু থাদা "বৈসাখ বিহু" হায়না ওন্থোকখ্রে। তৌইগুমসুং আসামদগি মার্ঘ বিহু বৈসাখ বিহু অনিমক পাংথোকই। তৌবদদি বৈসাখ

[illegible] হেয়া মক ওইবা লৌনরে। অমুসা অমসুং অরিবা [illegible] কাংলুপনা, মাব বিক্সু হেন্না থাজবে।

(৬) শ্রীএন, ইবোচোবা না কোংলোকপা "থারোন" [illegible] লাইরিকী লমাই ৪২ দা হায়রি "লোইদাম কুম্বী য়েংওইনবা কুমথাই থা, য়োইময়ই ভাউদনবনা অরাং লাইনা পাংনা মুমিং য়েংওইকা মসাবী থাজ পাখংবনা ওই ওইকুম্বা লোইদাম রাকচীং কুমথাই চৈহৌ থানে হায়রদবয়া"

রাহহোকঃ—কোরৌ ভুমিংপু য়োইমমাই ভাউজনবা হায়না খংনৈ, কোয়ৌ ভুমিংনা মথারোমদা থোকলমবদগী কুম অমা লোই-রক্নুনা থাইদোকলমলগা (মকম অহু থাদোকুলমলগা) অরাং পাংনা চংখংলকপবু (লাইয়ুম=উওরায়ন) য়েং ওইননা অরাং লাই পাংনা চংপবু ভাকলি। অরাং লোমদা থোকলম্বা থানা চহী লোইখিন্নুনা অনৌবা চহী হৌবা রাকচীং থাদগী মথা পাংনা লাকপবু ওই ওইননা চংপবু ময়েক সেংনা ভাকই। ভুমিংনা অরাং কাবা থানা মথা পাংনা চংপা মতমদি লোইদাম রাকচীঙ থানি হায়বা ভাকই। রাকচীঙ থাবু চৈহৌ (চহী হৌবা) থানি হায়না ভাকপিরি।

(৭) শ্রী এন ইবোচৌগী "থারোন" কৌবা লাইরিক অসিগী লামাই ৪২ দা "হাউনা ইভোন কং, ভিজোই মরাই সি, লাইরেন [illegible] য়োইবু মসানৌগা, য়োইহৈ সলাই মংজামনা লুমা লুমা [illegible] [illegible] নিংখৌ মহিলাং মচেং পাময়া [illegible] লোইর থাংজা নিংজোমবী লুমনাসী, লোইদাম কুম্বী [illegible]

থাজা রানিঙ্গনা রাকচীং লৌরেম্বা খোমদা লম্বাহন্ব। থানৈল লৌতা থা, মপন লাঙ্গোই লৈরাম্বচা সান্নু লুরাংবা মোইসারা রাপানবগী লাঙ্গোই সায়াং থক্তা হেপগী লৈমাখুরী উরা পোংবা ওইবীনা লাঙ্গোই সায়াং থক্তা তোংনা খানদ্রল লৌকোরম্বা থা। রাকচীং লৌতা তানে ;"

রাহম্বোকঃ—সম্মা হায়বদা লাইসিংনসু তৌরম্লবা অনৌবা চন্তী অমাগী ইহান হাননা লৌ-উবা হৌবসি রাকচীং থানে, পোতা থানে হায়রি। ঙসি ফাওবদা মোইরাংদা রাকচীং থাদা থাইফদা চুমিং অমদা থাংজীং লাইগী লৌতাবগী থেবম লৌবুক তা পাংথোকই। হুমিং অসিবু মোইরাংদা থাংজীং লৌতাবা হায়না খঙই। মোইরাং লৌ খোয়বা হৌনরে।

(৮) চীংমী ইচিল ইনাওসিংনা মখোই মখোইগী থাগী মমিং থীবা হৌবদা রাকচীং থানা হায়া হেই। কবুইনা রাকচীং থাদা গানগাই খোরম পাংথোকই।

(৯) মীতৈ ইপা ইপুসিংনা হায়নরিবা:—রাকচীং থাদা কৈ, কোক্ত সোকপদে, ফৌ থাইফদে, রাকচীং থাদা মেন উরেপ (যাত্রা) য়ুংহৈদে, যুম মনা সিগহৈদে ফি মৈ চাকহৈদে। রাকচীং থাদা নোং খজিক্তং চুরবদি লৈপাক অহু লৈহরে। রাকচীং থাদা অহানবা চুবা নোংলিকুপু হক্চাংদা তৈয়ু হায়না হায়নবা কয়া লৈরিবনি। রাকচীং থা রোত্রিজম্মা পোইহ থাদা লৌবুক্তী কোম্লজিংবা মরু মমাং পুরমক কৈদা য়োপমবনি হায়নরি অমসুং তৌপ্লু তৌনরি। পোইহ থা কুম অমগী অরোইবা থানি রাকচীং

থা যৌরবদি অনৌবা চহী হৌহনা চহী লোইলিনদে হায়বা তাকই।
য়ম কয়া অসি লৈবনা রাকচীঙ থানা থা ১২ গী মহুংদা মক ওইবা থা অমা ওইনা লৌনয়মলিবসি তুংগী ইচা ইচানুপা খিয়কপদা লংসা লংঙিন ওইনবা হায়হনা থবীরবনি হায়জলিয়ই।

(১০) চীংথী ইটিন ইনাও (কণুই) কৈয়েং, সেকমাই অমসুং থুরথুলদা লৈবা ইপা ইতোনসিংনা রাকচীং থাগী মহুংদা মী সিরবদি, শুমিং ৬নিদা য়ুমকৈ সেংদোকলগা, লায় থৌরম/মথৌ মওমনা রাকচীং থা লাকপা ওাইহনা মথংগী চহীগী রাকচীং থাদা পাংথোকই। করিগুম্বা রাকচীং থাগী মহুংদা সিবা ১সুং থৌরম তৌবগী শুমিং লৈরবদি রাকচীং থাগী মহুংদা লায় থৌরম/মথৌ মওম পাংথোকই। মসিনা তাকলিবদি রাকচীং থানা থা ১২গী মহুংদা লাইগী থা অমসুং থা ১২ গী মকোকনি হায়বা তাকই।

(১১) মীতৈগী মসায়া কাং সায়বদা কাংথুং অনিহু মাংসোক অমসুং ফমমেন্দা ফমহনা পল ওইনৈ। মাংসোক (অরাং) দা ফম্বা কাংথুংনা হায়া কাং কাপপা হৌই। ফমমেন (মথা) রোমদা ফম্বা কাংথুংনা কাপ্পা লোইরগা পল (মায়কৈ) ওন্থোকলগা মাং-সোকলোমদা ফমই, মাংসোকরোমদা ফমলম্বা কাংথুংনা ফমমেন-লোমদা ফমলগনু অমুক হয়া কাং কাপই। মসিনা তাকলিবদি শুমিংনা অরাং লায়ুম (উওরবন) দা কাবা মতমদা চহী হৌগনি হায়বা তাকই।

রাকচীং থাবা নোং ইলিক খিকপা হেরে থাংজি লৌভারে কাইয়েল থাবা কাইরেপ লৌভাবা হৌঙ্গিক নৌমী ইচিপ ইনাওসিংনা

পাংথোকনি। কাইরেল থাবা চহীত্রগী অকক্ষা কততবা থংনবা হায়রবা কুম তম্বা (কুম=চহী তম্বা=লৈপাক অতুগী চহী অমগী অক কততবা খুদম ওম্বা অদু বুনি) হায়রবা অমা ভৌরিবসি মপুগী খুৎসেমনি। কুম্ভতম্বা হায়রবসি ঊসিং সুংসিংকী কাংলোন (জিয়োগ্রাফীক সাইকল) নি।

(১২) লাইনিংথৌ নাওরিয়া ইবুঙোনা ইবীরম্বা "ওহুদ য়াথং কৌবা লাইরিক সাইওন ১০ হায়রবা মতাং অমা য়াওরি মতাং অতুদা অসুম্না হায়রি —

খুরুমজে অপোকপা
লাইনিংথৌ য়াইফবা
নওংনা নতৌনা
তেংবানবা ওইরিব ?
লমতা-থা ওইবনা
থারম লাই ফাউরক্রে
উরীগী উপালগী
নানৌস্ন ছল্লকলে
মপুগী য়ারংনা
লৈরাংস্ন সাংথক্রে।
লৈরাংগী মঙ্গাল্লি
নাওবীকম ওইখ্রের।
ইবুঙো লাইনিংথৌ
নয়াথং চুথরে
অপোকপা মপান্নেল
খুদম্ন ফাউরকলে।

রাহস্লোকঃ—মথক্কী মাইহৈসি অসিনা [illegible] অংহৌবা ওইদনা পোইন্থু থা কাওবদা সাইওন ১০ মতাং পায়ী। ইপান পল্লো ইপাদা য়াকচাও ১ন্থং কাইরেল থা অনিসি লৈয়ল্লগা লমতা থাদা ইমাদা ইলিক অত্থুনা থাবুং তম্বা নৌপুবগী মতাং তাকলি হায়বদি য়াক্চীং থানা থাসিংগী মকোকনি তাকলি।

(১৩) থা থাগী শুম্মিং পুথোকপগী য়ুমক্কম :—

"সৌবোম লাইয়েন্সীগী কলাওফুগী সনা খোংনাং লৈমবু দু মিত্তা থাজবা মতম্দা খোংনাং লৈমনা মপা অমস্তুং মচে কায়নবগী কপথি। মতম অত্থুদা শুম্মিং কৌবা লাইনা মাগী খোংচং তাক্কুনা সনা খোংনাং লৈমদা হায়থি—মুঙাং নিংথৌ মুঙাং লৈমা অনি পান্নবদগী নোং খোংবত্তুম কপজাওবদগী মরুম ৭ কোকই; মরুম ৭না মচা ৩০ পোকই, মচা ৩০ না মরুম ১২ কোকই মরুম ১২ না মচা অমা ওনথরে; মসিবু অমা হায়না কৌরসনো। অমগী মসাদি ১২ নি ময়োম্না ৪ নি, মনানা ৩৬৫ নি।"

রাহস্লোক :—য়াক্কম অসিনা তাবফিবদি অহিং অমা কৌবা কাংখোগা, শুংথিল অমা কৌবা কাংখোঙগা অসিবু য়ুংনবা- (তিন্ন-য়াদবা) মতম কৌবা কাংখোঙনি হায়বগী মুঙাং নিংথৌ মুঙাং লৈমা হায়রি। অহিং অমা শুংথিল অমনা নোংমা সাই হায়বগী মুঙাং নিংথৌ মুঙাং-লৈমা পান্নে হায়রি। অদুগা শুম্মিং ৭নিনা চন্নোল অমা সাই হায়বগী মরুম ৭ কোই, শুম্মিং ৬০ নিনা থা অমা সাই হায়বগী মরুম ৭না মচা ৩০ পোকই হায়রি। অদুগা থা ১২ না চহী সাই হায়বগী মচা ১নি হায়রি। চহী ৪দা শুংকাং (লিপইয়ার) নোংমা

লৈপক্কী মীয়ামগী মত্তোননা ৪ নি হায়রি। মসিগী মখাদা ৩৬৫নি হায়বদি মুমিং ৩৬৫ লিনা চহী অমা সাই হায়না তাক্লি। হায়রিবা অসিনা চহী অমগী মুমিং/থা কয়রা যোৎমুনা থাপারোন (কেলেন্দর) অমা পুথোক্লি হায়বগী লংলা লংলিন ওইরি।

(১৪) থা/থাগী মুমিং মসিঙ কয়া কয়না ম্যাগনি হায়বগী মতাং

মীতৈ অহল লমনসিংনা হায়রকপা ১মুং হায়নাম্নিবা য়াউই—থা অনিনা থাপী অমা থাপী অমবু সাগ্রোই ৩১ হায়বদি মুমিং ৩১ না থাপী অমা (থা অনি) সাই। থা অমনা মুমিং ৩১ না সাবা মথং থানা মুমিং ৩০ লিনা থা অমা সাগ্নি।
মপাম্দা চংপদি পুক্ত ৬৪ দা চংমুমা মুমিং ৩০ লিনা অথোই অহেন নাইনা লোইরাম থাক্ত অমগী মপুঙ শাইরে (সজিবু চৈরাওবা শীং শংপগী মওং) লাঃ ১৯

	নুংকাং লৈত্তবা চহী		নুংকাং চহী
১।	ৱাকচীঙ —৩১	ঈঙথম থানী	ৱাকচীঙ —৩১
২।	ফাইরেল —২৯		ফাইরেল —৩০
৩।	লম্তা —৩১	মেরিং থানী	লম্তা —৩১
৪।	সজিবু —৩০		সজিবু —৩০
৫।	কালেন - ৩১	ওল্লাং থানী	কালেন —৩১
৬।	ইঙা —৩০		ইঙা —৩০
৭।	ইঙেন - ৩১	লোংজু থানী	ইঙেন - ৩১
৮।	থৱান —৩০		থৱান —৩০

চুংকোং নৈজবা চহী				চুংকোং চহী
৯।	লাংবন —৩১	চীকথম থাপী		লাংবন —৩১
১০।	মেরা —৩০			মেরা —৩০
১১।	হিয়াংকৈ —৩১	পৌরোক থাপী		হিয়াংকৈ —৩১
১২।	পোইন্নু —৩০			পোইন্নু —৩০
	৩৫৪			৩৫৬

কল্প যরমহীদগী কাইরেল থান। চুমিং মসিং ২৯ না হৌবা চুংকোং চহীদা ৩০ না থা য়াম্লিবনো চংনিংঙাই ওই। চুমিং ২৯ হায়বগী মতুংদু চুমিং ২৯ পুং ৫ মিং ৪৮ সেং ৪৫ না ওইগনবনি। চুমিং মসিং ওাকতা পাকপা পুং মিনিট সেং য়াওগদবনি। চুমিং ২৯ নিদগী অহেনবা পুংকম অসিনা চুমিং ৩০ মপুংপা নৈরে হায়না লৌরে। অসিগুম্বা মচেং অসি চুংকোং চহী (চহী ৪) দুদি চুমিং ৩০ নি মপুং ফারে। অতৈ থাদা য়াপতোক-হাপচিন ভৌরবা কাইরেল থাদা। ভৌরিবগী মরমদি চুংকোং নুমিৎ মমসুং থাবশী (থাবাবগী) থাওোক্লগী থা কাইকদবনি ওইরিবা, থা কাই হায়রবা কাইরেল থা কৌনরিবা কুম ভৌরিবা কাইরেল থাদা ওইরিবনি। থাকুম ১২ গা মীওইবা, ঐখোইগা ১মুং যারেম নৈসাদা নৈননরিবা

মরি ১মুং থা থাপী য়ামহোক

য়াকচিং—(য়াক = য়াকোন = কোন ; চীঙ = চীংশংপা; য়াকচীঙ = কোন চীংশংপা)। ইবুংঙোমদা ভাইবদ মনাইং চীংদুনা হকশা মপুনা ভাইবদ লৌবা অমা চিনদারে য়াদুনা য়াকন-চৌবকোন্না পা খোৎপা য়াইবী চৈনিকদু য়াকোনবা চিংথনুনা কাপথোকপা [illegible]

(মতম) অসিনু লোইনাব রাকচীং হায়না [illegible] [illegible] ১মুং লাইরিক [illegible] লৈখানখ্রি। খুহংদুলান [illegible] [illegible] কুম (চহী) [illegible] লোং তা-নবা পাং চুক্লেনগী [illegible] [illegible] চিংথংদুনা রাকচীং থাদা লোং থক্লিক্লং থিরুই (ভাই) রাকচীং থাদা খরিক খরিক ওইরবদু থিকত্রবদি লৈপাক অদুনা কৈ [illegible] হায়না ঈপা ইপুসিংনা হায়রমই, ওসিনু হায়নরি। রাকচীং থাদা [illegible] থাদৈ লৌ-তাদবা রাকন অরিবা লাইহিক কয়াদা থেংনৈ। ওসি কাওথদা মোইরাংগী ঈপা ইপলসিংনা রাকচীও থাগী চৈক্লাক মাইকৈবা হুমিং থাদা থাংজীং লৌভাবগী থোরম চহী খুদিংগী পাংথোকলি। থাংজীং লাইগী লৌভাবগী মতুংদদি খুলগী ঈপা ইপল, ইচিল ইনাওসিংনা মাগী মাগী লৌবুক ইনথোকদা মোংলম থাম্মুনা চহী অমগী থবক সুবা হোৌরে। রাকচীও থাদা মালেমদা হৌরিবা হৈপাল লৈপাল, উরি রারি মাপী-সিংবী পুম্নমক অরিবা মনা কেনবা থানি। অরিবা মনা কেন্নিবসি বুদা অনৌবা মরোর, থৌিং হুক্লকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা অঙাংসিংগী অনৌবা মা অমা হোৌ[illegible] অরিবা মা অহু তেকই, (কেঙী)। মদু অনৌবা মানা মনুংদা [illegible] অরিবা মনা তেকলিবনি। [illegible] থাদা অরিবা উনা কেনখিহুনা অনৌবা থৌিং হুমুনা হৈনৌন-চিংবা হৈপাল লৈপাল মপান শাংপা হোৌরে। অনৌবা থৌিং [illegible] মতম কৌবী লাইরেম্বীনা অনৌবা চহীগী [illegible] [illegible] [illegible] তাকপগি। রাকচীও থাবু পা ওইথানিংবা মৌবা [illegible] [illegible] থারে। অনৌবা কুমগী রাকচীও [illegible] [illegible]

কুম অমগী চানবা কৌ লবুক্তগী লৌখৎতুনা কৈন্দ থমজহোৌই। কৈন্দা থমগ্রবা কৌবু ৱাকচীং থাদা কাইনজে, সোক্তে। ৱাকচীং থাগী চাবা ওক্সবা ' কৌ ৱাকচীংগী মমাংদা থাইদোকহোৌই। মসিনা আকলিবদি কুম অমগী লৌবুক্কী থবক ইনখাং অহু অনৌবা চহীগী ৱাকচীং লাকত্রিঙৈদা লোইসিলহৌনবা ভাকপনি হায়জনিংই; কোৎভগী (কৈ গী) মীওইবগী থৱাই ওইরিবা কৌ কাম্বহেদে হায়বদি লাইনিং লম্বী দদি ৱাকচীঙ থাদা য়াইবী থৱাই ওইরিবা ৱাকোলম্লুংদগী কাইফদে হায়বনি মরম অসিনা ৱাকচীং থাদা লুহোং-ফদে হায়নবা লৈ। ৱাকচীঙ থাদা য়ুম মানা সীলংহদে মেন উরেপ হুনহেদে, ফি ঙৈ চাকহেদে নচিংবা হায়নবা কয়া লৈরি। ৱাকচীঙ থাদা ইমা ইমোইনুগী মকাইকমদা কুমজা থুদিংগী থৌনিজে (ইমোইনু অহোংবীগী থৌরম পাংথোকই)।

ফাইলেলঃ—[ৱাকোন হুংদা চীঙথংখিবা য়াইবী ঈশিক অহুদা থৌরায় মিলেল হুনবা মপুনা ফম্বাল লাংহনা কোক্তগী কুমথরকলগা পা ওইবমী মীৎ নহাদা কোরৌ হুমিং ৫ নি চুপ্পা মিং নহা অনি লোওহনা ফাইহুমা লৈয়ে হায়বগী থাজ মাগী কোজোয় মমিং ফাইলেল (ফাইরেল) থা-ও কৌখিয়ে। থা অসি পা ওইবসিংনা নাওপুবগী অনিহুবা থানি। পা ওইবসিংগী মীৎনহা অনি লোওহনা লৈরিবা অসি য়েংলোমমা ওইরবদি নরা অহু পা (নুপা) ওই, ওইরোমদা লৈরগনা পী (নুপী) ওই। পায়োমদনু লৈহৌরি নোংকাই ওইনা নোংবা কোইপাই পাইহনা লৈ। ফাইলেলদু থাদা গ্লোঙ্জকপা অমুবু কুম তদ্বা হায়না মীতৈ-

সিংলা থংনৈ। ইহান হায়রা নোং খোংথিবা মায়কৈগী মঙ্গুংইরা চহী অসিমা করম্বা মায়কৈনা (লাইরা) কুম্‌ ভাঙলে, অনৌবা চহী অহুমগী ওইবকন্দবা ঈসিং তুংশিংকী কিবম থওনা ওমই। কুম হায়বদি চহী বুনি ; তম্বা হায়রনা লাক্লিবা অনৌবা চহী অসিগী লৈপাক্কী ওইবা শিংলিবা অকবা করম্বা অমুবুনি। কৌপলুংলোয়দা নোং খোংগ্রবদি (কুম ভমগ্রবদি) লৈপাক অসিদা নোং য়াম্না তাগনি, ঈসিং মরাং কাইহনা ঈসিং ঈচাও থোক্কই। লৌউবসু পাংলো মাইপাকলে, পামলোনা ম্যাম পাকই। কৌম্না (কৈ রক অমসুং নোংচুপকী মরক্তা নোং খোংলবদি) অম্নবদি নোং চিকেং-চিক্কেং তাগনি ঈসিং ঈচাওদি থোক্কে। পামলো অমসুং পাংলো অনিমক্তা অফবা ওই। লোয়মলাকপনা (নোংচুপনা) কুম ভম-লমবদি অথাক অরাও কল্লি, নোং নুংসিং কল্লি। কাকবা মখোয়গী মকোন নেমনা সাই। মরমসিনা কুম অমনবা মখোং অমসুং ই মনা শিনথচিংবা যাংজোননা সেমজিন শাজিনবগী থবক তৌই। থাংচিংনা (সনথোং) অম্নবদি ঈকং থোক্করে কুম কাংয়ে, ইংকোন খোংপান তৌথোকহনা ঈসিং য়োকসিনলোয়রে, লৌম্ম কুমহন হুরো, লিংলগনো হায়রনা ইপা ইপুসিংনা তাকলি। কুম ভম্বদা কুম্না (ওকপা) হন্নবা অমসু লৈরি থাছদি কুম-গী কবা করম্বা অমদি মতৌ ঈসিং ঈচাও থোকমগী থোকতবগী মতাংনি। থুনিয় ওইবা হায়বদা কুমসিদি লোয়মলাকপনা কুম ভমই, কৈ রম্না থুনাই হায়বা মতমদা অহানবা ঈসিং থম্না নাংনা লৌ উমাদি মঙৈদা (লাংবন/মেরা) দা ঈসিং ঈচাও থোক্কি।

ঐটিগী মায়হৈ "কুম তম্বা" হায়বদি ঐসিং মুংসিংকী কাংলোন (জিওগ্রাফিকেল সার্ভিস) না কয়রি চায়বা লৈবগী হায়না হংবদা অদুনা থুম্ব মাই—কৌরুনা কুম তম্বই হায়বদি মেডিটরেনিয়ান সি (৬০৫) লোমদগী ইহান হানবা নোং পুবা মুংসিং সিংলকপবু কৌশিনু মায়কৈগী সিংলকই হায়রুনা কৌপগুনা কুম তম্বই হায়বনি। কৌনগুনা কুম তম্বা চহীদা অমাং নোংপোক ভাগ্যত্তা লোং মথাং কাইহনা ঐসিং ঐচাও থোকই। কৌহুনা কুম তম্বী হায়বনা নোংচুপ্পোলমদগী আরবিয়ান সি (৪৫৪) লোমদগী নোং পুবা মুংসিং সিংলকই হায়বনি। সোরাসাকপনা কুম তম্বই হায়বদি নোংচুপলোমদগী নোংপুবা মুংসিং সিংলকই (কুম তম্বই) হায়বনি। থাংজিনা তম্বই হায়বনা ইন্দিয়ান ওসিন লোমদগী নোং-পুবা মুংসিং সিংলকই (কুম তম্বই) হায়বনি। থাংজিংনা কুম তম্বা চহীদা অমাং তারগুলোমদা ঐসিং ঐকং থোকলি। কাইরেল থাদা লোমী ইটিল ইনাওসিংনা মাগী মাগী লৌবুক্তা লৌকনা য়েংলম মখুতা ওইরদ্রু কাইরেল লৌতাবা হায়রুনা তৌনরি। মসিনা তাক্লিবদি কুম অমগী লৌমাং মুবা হৌরে তাকই।

লমতা :—পা ওইবগী মিং নইহাদা কাইলেল থাদা মুখিং ওনি কাইহনা লৈরম্বা নোম্বা মরু অদু পালেম ওইবাগী রৈহাও লৈবা লমগী মমক ওইরীশ্যাওরীফমৃদা নোরা মরু তাথিবা থাক মাগী মসিংদু "লমদা" অরে লমতা থা হায়না কোলোয়নাখি। তাইবংপানে অসিদ্রু লমতা থাগী থানিল মুখিংদা নোংলাও ঐদে মকচুনা কোরুলী থকতগী নোং কৌথবগী থৌরম তৌনখ্রবই।

অঙ্গম্বা নোংজাও ঈসৈ সকতুনা য়োং,কৌথরক্কব্ মীন্নান কঙ্‌লৌ-ঙৈজগী লমতা থানিলম্বা য়াওসং হায়রুনা ওন্থোকখ্রে। য়াওসঙ্গী নোংমগী ময়াংদা, লমতা থাজগী তন্নামন্নিনি শানবদা চোংজম চঙ্গবা অঙাও অকৈগী মতৌগুম মীগী ময়ুমদা লুংনা থাবা ম্নুমল য়াংকোক পুক্ষি ,থোংবান্দা থাদবা, লম্মীনচিংবা থিংবা অসিবু নোং লাওবা হায়রুনা ওন্থোকপিখ্রে। লমতা থাদা হীয়াই চেল্লবা কোয়নৌথকতগী নোং চুহুনা ম্যালেম লৈপাক লৈহাও চেলহন্থুনা লৌ উবা থোরুনা অমম্লুং মনা মসিং থাবা হৌবা থানি। লমতা থাদা নোং চুক্কবদি লৈবাক অতুদা মহৈ ময়োং চুমদে। পলেম ইমানা থাবুম ১০ নাওপুরগীদি লমতা থানা অহানবা থানি।

লৈকাই লৈকাইদা লৈরিবা ইমা ঈবেলসিংনা লমতাগী অহান্বা থাংজদা সরোই খাংবগী থৌরম অমা চহী থুরিংগী তৌহুনা কুমজগী অনা-অয়েক তিম্ৰু লাইমু ফত্তবা পুমমক তান্থোকপগী থৌরম তৌই। মখোয়না সরোই খাংবদা হায় "কুমসি কুমগী ফত্তবা পুমমক হাওরে থানা পাংবা য়াংপুলেলগী মকাইদা পাম্বা কৈরেল মপী মচানা মথা লাওনা ফাক্কুনা লৈরিবা অসিদা হোৌরাব্বিগে"। কুমসি কুমজা হায়রিবা অসিনা তাক্কলিবদি য়াকটাও থাদা চহী, হোৌরা হায়রবা তাকই। মীতৈগী উমংলাই হরাওবা মতমসম্লু হৌরলি মতামনি, তয়েংনিদা অমম্লুং মাপন্সনি ওবা হুমিংতা সারোই খাংবগী থৌরম তৌরিবনি। কুম অমগী অহমম্লুবা থা লমতা থাদা সায়োই খাংবগী থৌরম ঐথোয়গী লৈপাকতা পাংথোকলি।

সচিকু.—লমতা থাদা পলেঙ্গী নৌবীক্ষয়দা তাখিবা কন্না অহুনবা ঊনিক কোংগোলগী মসক ওইনা লৈখি। ঊনিক কোং-গোল মসক ওইনা লৈরম্মবদগী সা (হুকচাং) ওইনবগীদমক চী-নিক্কুনা কু (মতুম) অমা ওইহ্নকপা লোয়দাম থাক্ত মাগী মমিংবু "লোয়দাম সচিকু খা" কৌয়ে। অনুমনা কু তাসিন্নমবদগী চীং-থংখিছুনা মচীন অতুম্বা পান্দুনা, ওাচকী মওং মাল্লংলে, লন্নাই লেমকুদা অহোবা অমা লৈগ্রে। অহোবা অসিদা মপু মাগী মমি ওইবা অমা চংখিছুনা নন্না অওাং অহুবু থন্নাই মিরেল হাপগ্রে। অনুম তৌহুনা নাওপুরিবী মমাগী মিরেল অমগা নন্না অওাংগী মিরেলগা অনি তুনা/পুন্না লৈমিন্নয়ে হায়বগীবু "সচিকু লৈখুন তৌন্নকপা মীরেল পাবোং (অনি) লোনবা" হায়না পুন্না কয়াদা সৈথানরি। ওসিদি পান্নোমদা সচিকু লৈখুন তৌবা কোংবা লৈথোং কাংপা হাক্না থৌরম অমা ওইনা তৌনয়ে।

হৌজিক সচিকু থাদা তস কংপা থৌরম অমা তৌরিবসিদি মীয়ান থর্ম লৌরম্বদগী তৌরকপা থৌরমনি। মরমদি লাইনিংথৌ সনামহিদি অহিংবা ঊহৈ-ন্নাহৈ মহৈ মরোংবা থেল্লগা (থমহুনা তাকচরমলদা) থৌনিজবনি, মৈ চংবা পোংতি থেলনদে (কংনদে) সেলথাইবু (থাইমগী পৈসাবু) সনামহীনি হারক্নুনা জুবাকনুংজা হাপহন্নুনা, মুর্ত্তি নিংবা হোঁদোকপগা লোয়ননা মথোন্নগী বৈসাথস্তা (সচিকু) পাংথোকহনখিবনি। লাইনিংথৌ সনামহীগী থৌনি হুজিংতি থেন্না চাহৌ/সনামহৌ জেহোংবা হুন্নিং থেন্নাগী লোংক্ষা পানবননি।

কাঁলৈন ঃ—পসেম পীবুকলুংদা ফু অমগী মনিক মাননা মৈরুম্বগী ভাচক মওং মাননা শাংদোকপ্রবা মতুংদা কান্নাংবী কা অমক থোক্লা মাথোক্তুনা ভাইবন্ড মীওইবগী সক্তম সেম্বা হায়বদি কোক, থোং, খুৎ, মিং, না থবাক হকচাং কায়াৎ লাইবকপা লোয়রদাম থাজগী মমিং কাপেল থা হায়না কৌরে। পাম্লোমদা থোঙ্গং খুংকং থা ওইহনা মাসেম কায়াৎ মপুঙ কান্না লৈবা থানে। কালেন থাদা হৈবাসিংনা মপুং মবৈ ফারকলে।

ঈঙা ঃ—পসেম পীপুক হুংদা লৈরিবা নৌম্না অহনা পলেমগী থোংকাপ ঈদা ঙাহনা ঈচিংহনা চাকচা ওইনবা থাগী কোলোয মমিং লোইদাম ঈঙা থা কৌয়ে। পাম্লোমদা ঈঙা থাগী নোংলেন্ন হী চেনবা লাইঙ্গ ঈলিংবু মাসেমনা চুপসিনবা থানে, লাইঙ্গ ঈসিং লোইননা নোইনিং থৌনা মাসেম লৈসাদা মন্না তাহনা হিংবা হৌবা থানে। মবম অসিনা ঈঙা থাদা নোং মবাং কায়না তাবা থানে।

ঈঙেন্‌ঃ—পসেম পিবুকহুংদা লৈরিবা নৌম্না অহনা পসেম থোঙকাপ ঈ চাহনা ঈগী মৈন্দগী পোকপনি হায়বগী লোয়দাম থাজ মাগী মমিং "লোয়দাম ঈয়েন (ঈঙেন) থা" কৌয়ে। পাম্লোমদসু নাপী সিংবী ম্রেনজাং মনা মসীঙ মহুয় মরোং পুম্নমক মহৌ মকা লামনা হৌবা থানে।

থৌবান (থৌরান) ঃ—পসেম পীবুকলুংদা লৈরিবা নৌম্না অহুগী হকচাংদা ঈ চেল্লহনা ঈগী ঈচেম্না হৌ-খাই থিনখাইহনা নৌম্নাগী থোঙলোন ৯ (মাপল) মক ফাওরে লিংসা হোক্লে।

অমুক্সা নৌরানা মিংসা হোনববু থৌরায় লৈরে হায়বগী লোইদ্রাম থা অসিগী কোনোয় মমিংবু "লোইদাম থৌরায় থা" কৌয়ে। হৌজিক্সা থৌরান হায়না থংনত্রে। পাললোমদস্থ কৌনচিংবস্সা মথৌরায় স্নুনা লৈরহুন। মক্কো মৃকা লায়া হৌবা থানে। মতৌ অমুক্সা থৌরান থাদা নৌরা অঙাংনা মথৌরায় মীলেল লৈরকপা থৌরান থাগী মজুং হায়রবদি থা অরেং (লমতা থাদগী থীবা হৌবা) চংলকপা অমম্লুং শুরগা পোইথোকলকলবস্থ (পোকলবস্থ) হীওঙে। থা অরেংতা পোকপা অঙাংনা হিংলিবসি নরা অঙাংদা মপুনা থরাই মিলেল ওইনা চংজুনা থরাই হাপথিবনি ; থরায় লৈরে হায়বদি মপু মহাক্সা লৈরে হায়বনি।

লাংপা (লাংবন):—পলেম পীবুকহুংদা লৈরিবা নৌরা অঙাংনা লিংসা হোল্লবনা অরাম খোলাংবা পোক্লক্লে। নৌরা অঙাংনা মপুক লামহুনা মপুক্লিং লাংবা থান্নি হায়রগী লোয়দাম থাজ মান্নি মসিংবু লোয়দাম "লাংপা" থা কৌয়ে। পাল্লোমদস্থ তাইবঙ থৌরায় ওইবা কৌনচিংবা মহর-মরোং কয়ানা লাংপা ঈথোম ভাইহুনা লৈবা থানে।

মেনজা (মেরা):—পলেম পীবুকহুংদগী নৌরা অঙাংনা থৌরাংবনা মপুক্লিং লাংলক্লুদনা তাইবঙ পালবা মপু সিদবগী থৌ-জায়া পলেম্মা চাবা চিগ্লাকী মহাও মচুম্ম নৌরা অঙাংগী খোয়স্ত্রী মোকমদা মলিক মলিক তারক্কুনা খোয়না চাকচা ওইহুনা নৌরা চাকম ফারে। নৌরা অঙাংনা অরাম থৌরাংবনা লাংলমদগী মপুক চক্লম কারবদা (জীংপা তুমিন্না) মেন তাহুনা লৈরে হায়বগী লোয়দাম

থাজ মাগী মমিং মেন্তা (মেরা) হায়না কোলোয়নৈ। নৌরানা মপুক মেন তারহুনা পিবৃকসুঙদা চোংকন্না সামজরে। মসিবু মেরা হৌজোংবা হায়না মেরা থাদা হৌজিক ফাওবা পাংথোকলি। মেরা থাদা উমং লাই কয়ানা হুরাওনরি। পাললোমদস্থ ফৌ-ওইবী লাইরেম্বীনা লাংপা ঈখোম ফংজহুনা তৌরাংপাল সানা সাংকাইহুনা মোমোন নোকচবা থানে। হুংসিংকী ঈপোমদা হাইনা হুমনা জগোই সাজরে। ফৌওইবীনা মপুক হুরাওজরে। মেরা থাদা চেং অনৌবা লাইনিংথৌ সনামহিদা থেললী। মেরা থাদা মা মাগী সাগৈ সলাই অপোকপা মপুগী খুয়া থাদ থৌনিজবা হায়বদি অপোকপা খুরুমজহুনা মাগী মাগী সাগৈগী মরীমতা নিঙোলনচিংবা কয়াবু কৌহুনা চাক পীজবা থানে। থৌরম অসি অককনবা হুমিং অমথক্তদা লৈরমদে মেরা থাগী থানিল মতুং নোংমা কোনবদগী থাসি ফাওবগী মনুংদা অফবা চৈকাবা হুমিং অমদা পাংথোকলমই। ঙসিদি থৌরম অসি লাংবল তর্পন অমস্থং বেঙ্গোলিগী ভাত্রিদ্বিয়াদা পাংথোকপ্রে।

হীয়াং কৈঃ—পলেম পিবৃক্তা লৈরিবা নৌরা অঙাংনা তাইবঙ চীঙ্গাক ফংজরবদা হী পোক্কুনা হী অহুনা নৌরাগী য়াঙদা কাখি-হুনা রাকোন (কোক) কৈদা তাইবঙ লৌসিং লৈহুনা থম্বা থানি হায়বগী লোয়দাম থাজ মাগী মমিংবু লোইদাম হীয়াঙকৈ কৌম্লে। পাল্লোমদা ফৌনা মালেম ইমাদগী চীংখংখিবা চিঙ্গাক অহুনা হী য়াই পোক্কুনা ফৌ মচেঙ চংহুনা খোইঙাঙ সাবা থানে। হীয়াঙকৈ থাদা হী য়াইনা রাকোন্দা চেনখংপগী পান্দম লৌহুনা হীয়াংগৈ

থাদা হৈ য়াঙ তাৱে। হৌজিক্কি হীয়াঙ্গী মহুৎতা লাংবন থাদা হৈক্কু হীদোংবা হায়না ওস্পোকপ্রে।

পোইন্সু :—পলেম পীবুকন্নুঙগী নৌম্বা অঙাঙনা তাইবঙ লৌসিঙ ফংলবনা পলেম পীবুকন্নুংদা লৈবা য়ারকত্রন্নুনা লু-নৌ ওঙ্গকলে পলেমগী ন্থু (সেক্স) দা পোইথোকরক্কুনা তাইবঙপান ফাওরকপা লোয়দাম থা মাগী মমিং "পোইন্সু" হায়না কৌরে। পাল্লোমদন্থু মালেম লৈমগী ন্থুদগী পোকথোকপা নোইনিং কৌন্থু মীওইবনা লৌসিনবা থাবু পোইন্সু লৌলোক থা হায়না ঙসি ফাওবা হায়নরিবসিনি। পোইন্সু থানা কুম (চহী) অমগী অরোইবা থা ওইবনা রাকচীং (অনৌবা চহী হৌগ্রিবৈঙদা) লাকত্রিবৈঙদা কৌ লোক্কুনা কৈদা কাহৌদবা য়াদে হায়বা অকনবা চৈলাক অমা ওইনা হায়নরিসিনা তাকলিবদি অনৌবা চহী হৌগ্রিবৈঙদা হাল্লগী চহীগী থবক পুন্নমক লোইসিনগদবনি হায়বনি হায়জনিইংই।

ন্থুমিৎ চৈচৎ থা কুমসিঙ পুথোকপা

ন্থুমিং ৩৬৫ পুং ৫ মিঃ ৪৮ সেঃ ৪৫ না চহী অমা সাই হায়না লৌরগা মথাগী খুংহোং মরিন্সুবা য়াওদনা থননগনি। অদুগা ন্থুমিং ৩৬৫ পুং ৫ মিঃ ৪৮ সেঃ ৪৭ না চহী অমা সাই হায়না লৌবা তারগা খুংহোং মঙাম্সুবা য়াওনা থনন-নৈনগনি। খুংহোং অসিনা হৌখিবা অমম্নুং লাক্কদবা চহী/থা/ন্থুমিং/চৈচং (তারিখ) ওইগদগে মত্রগা ওইখিবগে হায়না পুথোকপদা খাইদগী অচুম্বা ওইগনি।

১। রাকচ ংগী চৈচং অমদগী পীরিবা মাগী চৈচং মসিঙ ফাওবা নুমিং মসিঙ তিনসিনগনি।

২। পীরিবা কুমসিঙদগী মসিং অমা হন্থরগা (মমাংগী কুমসিংগা) নুমিং ৩৬৫ গা পুরিগনি। পুরিরগা ফংবা মসিঙ অহু মথক্কীগা তিনসিনগনি।

৩। পীরিবা কুমসিঙগী মমাং চহী হায়বদি অপিবা কুমসিংদগী অমা হন্থরগা; নুকাং নুমিং কয়া লৈবগে থংনবা ৪ (মরী) না য়েনথোক্কনি অথুংবা অহু মথক্কীগা তিনগিসনগনি।

৪। চহ ৪/৪ নুংকাং নুমিং থোইথিবদা চহী অমমমদা মিঃ ১১ সেঃ ১৫ হেন্না পাসিন্দুনা চহী ১২৮ খুদিংগী নোংমা হেনজিন্না পাখিবা অহু পীরিবা কুমসিঙ (চহী) মসিঙদা কয়ারক লৈবগে য়েংনবা ১২৮ না য়েনথোক্কনি অথুংবা মসীঙ অহু মথক্তা তিনসিন-থিবা অহুদগী খাইদোক্কনি।

৫। চহী অমদ নুমিং ৩৬৫ পুং ৫ মিঃ ৪৮ সেঃ ৪৭ ওইগদবদা নূমিং ৩৬৫ পুং ৫ মিঃ ৪৮ সেঃ ৪৫ না ওই হায়না লৌখিবা অ দা চহী খুদিংগী সেঃ ২ রাংনা লৌখিবহু চহী ৪৩, ২০০ সুবা খুদিংদা নুংকাং নুমিং নোংমা তিনসিনবগী মহুত্তা নুংকাং নুমিং অনি তিনসিনগনি।

৬। মথকতা খাইদোকপা, তিনসিনবা তৌখিবা অসিগী মতুংদা তারকপা মসিঙ অপুনবা অহুদা ৭না য়েনথোক্কনি। মীতৈ কুমসিঙ ওইরবদি, য়েনথোকপদা ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬ ০ লেপ্লবদি

মথংসিংনা নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা, য়ুমসকৈস, সগোলসেন, ইরাই অমসুং থাংজ ওইগনি। খুঃ ইরা অমা অরিখ ওইরবদি ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ০ লেম্বদা মথংসিংনা নিংথৌকাবা লৈবাকপোকপা, য়ুমসকৈস, সগোলসেল, ইরাই, থাংজ অমসুং নোংমাইজিং ওইগনি মীতৈ কুমসিওনা নোংমাইজিংদা, খুঃ ইরানা নিংথৌকাবদা চহী হৌখিবা মরমনা নুমিৎ পাবদা (থীবা হৌবদা) নোংমা খেন্ননা হৌখিবদা অরেম্বদো করি নুমিৎ ওইগনি হায়না থীবদসু নোংমা খেন্ননা ফংলিবনি।

ৱাহং:—মীতৈ চৈচৎ (তাং) ১-১-১ পালচা হৌখিবা নুমিৎ অসি নোংমাইজিংনি। অসি পালচা কুমসিঙ ৩৩৮৪ গী মেরাগী চৈচৎ ২৩/১০/৩৩৮৪ নি করি নুমিৎ ওইগদগে ? (মীতৈ থাপালোনগী (কেলেন্দর) দা ইরাই নুমিৎ ওইরি।

পাওখুম:—(১) পালচা ৩৩৮৪ গী ৱাফচীঙ চৈচৎ ৩১

ফাইলেল	,,	৩০
লমতা	,,	৩১
সজিবু	,,	৩০
কালেন	,,	৩১
ঈঙা	,,	৩০
ঈঙেন	,,	৩১
থৱান	,,	৩০
লাংবন	,,	৩১
মেরা	,,	২৩
		২৯৮

(২) পালচা ৩৩৮৩ × ৩৬৫ (হৌখিবা) = ১২,৩৪,৭৯৫

(৩) নুংকাং (লিপইয়ার) ৩৩৮৩ ÷ ৪ = ৮৪৫

১২,৩৫,৯৩৮

(৪) চহী ১২৮ খুদিংগী নোংমা লোথোক্লনি

৩৩৮৩ ÷ ১২৮ = (—) ২৬

১২,৩৫,৯১২

(৫) ৭ | ১২,৩৫,৯১২

১৭৬৫৫৮—৬ (অরেম্বা)

নোংমাইজিং—নিংথৌ— লৈপাক— য়ুম— সগোল— ইরাই— থাংজ

১ — ২ — ৩ — ৪ — ৫ — ৬ — ০

মরম অসিনা চৈচৎ ২৩/১০/৩৩৮৪ অসি ইরাই নুমিৎ ওইগনি।

য়াহৎ - খৃষ্ট ইরাগী তাং ১/১/১ হায়না হৌখিবা ৎ মিং অসি নিংথৌকাবনি। ওসি খৃষ্ট ১৯৮৬গী ওক্তো, বরগী তাং ২৪'১০ ১৯৮৬ করি নুমিৎ ওইগদ'গে ?

পাওখুম —(১) খৃঃ ১৯৮৬ গী জানুয়ারী — ৩১

ফেব্রুরারী — ২৮

মার্চ্চ — ৩১

এপ্রিল — ৩০

মে — ৩১

জুন — ৩০

জুলাই — ৩১

আগষ্ট — ৩১

সেপ্টেম্বর — ৩০

ওক্তোবর — ২৪

২৯৭

(২) ১৯৮৫ X ৩৬৫ ৭২৪৫২৫

৭২৪৮২২

(৩) লুংকাং (লিপ ইয়ার) ৪৯৬

১৯৮৫ ÷ ৪ ৭২৫৩১৮

(৪) চহী ১২৮ খুদিংগী নোংমা লৌথোক্কদবনি

১৯৮৫ ÷ ৪০০ X ৩ = (৫ X ৩) = (—)১৫

৭২৫৩০৩

৭ | ৭২৫৩০৩

১০৩৬১৪—৫ ইরাই

নিংথৌ— নৈপাক— য়ুম— সগোল— ইরাই — থাংজ —নোংমায়

১ — ২ — ৩ — ৪ — ৫ — ৬ — ০

হুমিং চৈওন ৭কী হৌরকফম

লাইনিংথৌ সলাইলেল সিদবনা তম্পাক লৈনেমবু তাইবঙ চাদোন সুদোনসিংগীদমক্তা সেম্বীরগে নিংখন্দুনা পামেন উতুপ অমা ঈরিত্নুনা লৈরিবা ঈপাকথক্তা থাদরগা রাকয়ৈ উতুপ থক্তা তোংত্নুনা লংমাইচীং তমনা ঈরাল্লগে হায়না লাইনিংথৌ সলাই-লেলনে লাইলেলপী লৈমলেল সিদবীনে-সবোই চনু অতোম্বীনে অহুম মানা চৈনী নোবেল পায়হনা হোল্লকপে। অহুম মানা হি-হি লাওহনা হোনবদা রাকয়ৈ উতুপ অত্নু য়াঙনা চংলি হায়বগী হিয়াঙ হায়না কোলোইরে। অত্নুগা লাইঙ্গ ঈপাক অচৌবা অত্নুবু রাকয়ৈ হি অত্নুনা চায়নরগা সমহনা চংলি হায়বগী হিযাঙ সমচায়বা হায়না কোলোইরে। অসুমনা হিয়াঙ সমচায়বা তোংহনা হোল্লকপনা লোইবী চীংত্নুম অমগী মখোঙ য়ৌরকলে, লমলেল মফম অত্নুদা ঙাইহাক পুঙগোই হিথাংলে। লমলেল লমদম অত্নুবু হিযাঙথাং হায়না কোলোইরে, লৈমরেল সিদবীনা সাইওনবী ঈবৈমা লাইরেম্বীগী মকাইফম ওইহনবীরে। হয়েং তাইবঙ চাদোন সুদোনগী ঈরম-খোংলম চুমলক্তবদা ঈরৈমা নঙোন্দা থুরুম লৈপায়জবগা তিনকোক লাইকোকপীয়ু হায়না পাওমেনবীরগা ঈরৈমা লাইরেম্বীবু থম্বীরমলে।

অসুমনা পাওমেন য়াথা পীবিরগা ঈরৈমা তুংওইননা হিয়াঙ হোল্লক্লে। অসুম হোল্লকপনা লংমাই চীং চীংখোঙদা থুংলে, কোয়নৌ নোংজা অত্নুবু লংমাইচীং হায়না মিংথোল্লে। ঈমুং ঙাল্লবগা

লাইনিংথৌনচিংনা লংমাইচীং চীংদোন কাররে, কোয়রৌ নোংজা অহুবু লাইনিংথৌনা চীং কাই হায়বগী নিংথৌকাবা হায়না মিংথোল্লে। ঈনুং ঙাল্লবগা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী সরোই অতোপ্পী অহুম মানা লংমাইচীংগী লৈচাক খোংখরে, মালেম লৈসা ফাউবা ঙমদ্রে। মতাং অহুদা লাইনিংথৌ পাঙ্গলবনা হুৎতংঙা সাইওন তৌদুনা চীংখুং হুৎপু হুৎথোক্কুনা লাইজ ঈসিং চিথোকল্লে, মালেম লৈসা ফাওরে। মালেম লৈসা ফাউবা কোয়রৌ নোংজা অহুবু লৈপাক পোকলে হায়বগী লৈপাকপোকপা হায়না মিংথোল্লে।

মালেম লৈসা ফাওরবদা লাইনিংথৌ সিদবনা অকংবা লম থিরকলে, ময়েক লানা কংবা লমলেল লমদম নিংথিবা থেল অমা থেংনরে। লমলেল লমদম অহুবু "কংলা থেলবুং" হায়না কোলোইরে, কংলা থেলবুং মফমদা ঈক্ষম সেমহুনা ইম-কৈ সারে। ইম-কৈ (য়ুম) সাবা কোয়রৌ নোংজা অহুবু ইমসাকৈসা (য়ুমসকৈস) হায়না মিংথোল্লে। কংলা ইক্ষমু লাইসিংনা পালবা মফমনি হায়বগী কংলা লাইফম হায়না কৌখরে। কংলা লাইফম মফম্বু "কংলৈপাক" হায়না কৌখরে। কংলৈপাক কৌবা মফম্বু লাইনিংথৌনা ভাইবঙ চাদোন-মুদোনগী লৈপাক ওইহোনবা হায়রুনা সাকোম্ননা সেল্লুনা থম্বীরে হায়বগী কোয়রৌ নোংজা অহুবু সাকোনসেন হায়না মিংথোল্লে। ঈনুং ঙাল্লবগা লাইজ ঈরাই লৈমনা খংকং কংথখি হায়বগী কোয়রৌ নোংজা অহুবু ঈরাই হায়না মিংথোললে। ঈনুং ঙাল্লবগা লাইগী মহুরবু লৈমলেল সিদাগী ফু ছিং সিয়োমফুংলা

চা-ওইনবা থাঙদোকখিবা (চারী ঈপাল থাখিবা) কোয়রৌ নোংজাবু থাঙচা (থাঙজ) হায়না মিংথোল্লে। অসুম তৌনা লাইনিংথৌ সনাইলেল সিদবনা ৯মিং চৈওন ৭কী মমিং থোনবীখি।

ঙ্গমুং লোন—লাইনিংথৌ সনাঈলেলগী কোক্তগী হী অতুনা য়াওদা কুবথরক্তুনা ছিযাঙথাং কৌবা নাখাংদা ঙাইহাক পুঙগোই পাল্লমলগা লংমাইচীং কৌবা মীংলু নাপোমদা থুংলবা মতম অতুবু লংমাইচীং কৌই। অতুদগী মীং নহাদা কারক্তুনা নমু মীংগী মসক ওইনা মীং নহা অনি লোঙতুনা লৈরম্বু নিংথৌ মাবা কৌই। অতুদগী কিনথখিতুনা তাইবঙ লৈসা (হকচাং) ওইখিগদবা হী অতুবু লৈপাকপোকপা কৌই। অতুগুম্বা তাইবঙ লৈসা= হকচাং অমা ওইরক্কদৌরিবা ঈলিক অতুগী মমুংদা লাইগী মইম (ময়ুম) ওইনবা ইম-কৈ সাখরে হায়বগী ইনসাকৈসা কৌই। অতুম ওইবা তাইবঙ লৈসা=হকচাং ঈলিক অতুবু চেংনা কোন সিন্দুনা সেন্দুনা থম্বীয়ে হায়বগী সকোলসেন কৌই। অতুগুম্বা সা-হকচাং ঈলিক অতু লাই মহক য়াওরে হায়বগী ইরাই কৌই। অদুগুম্বা লাইগী মহয় অদুবু ঈমা লৈমলেল সিদবীগী ফুহিং সিয়োম-জুংঙ্গা চা-ওইনা থাংদোকথি (চারি ঈপাল থাথি) হায়বগী থাঙচা (থাঙজ) কৌই।

নৈনবা ঃ—রাকচীং থাদা চৈহৌবা হায়রগা পোইনু থাগী থামৈদা অমসুং রাকচীং ৭/৮ নি পানবদা পাংথোকলিবা অসিবু থানিংদবা মীওই কয়া য়াওদবা নত্তে। ঐখোয় মীতৈনা মতম

কুইনা মীয়ান ধর্ম্মদা লুপতুনা লৈরুবদগী থাগী থা নুমিৎকী থা মসক খংবা ওমখিদে। থবান দাদবু থাগী মমিংনি হায়না কৌগ্রে। মিৎকী থাগী মমিং খংখিদে। ওসি ঐখোয়না হায়নরিবা থবানগী থা মমিংসিং অসি নুমিৎকী থা মমিংদা তাংবনি। মরমসিনা থারোন্নবা (মালমাস) লৈবা চহী দা থা ১৩ না চহী সারকপদা ১৩ শুবা খগী মমিং লৈতবনা থা অমথক্তগী মমিং অনিরক হপ্তিল্লীবনি। অতুগা নুমিৎকী চহী গী নুমিৎ মসিংগা চানবা হায়তুনা চহী ৩/৩ দা নত্র। ৮ দা থারোন্নবা (মালমাস) লৈরিবনি। অদুমনা সিন্দ্রবদি বুন্বী কালেল ওন্নবা হৈরাং লৈরাং মতম ওন্নবা পানগনি, হায়বদি ইঙা হায়বগা য়াম্না ইংবা, রাকচীং হায়রগা খ্বাইদগী সাবা মতম ওইবা য়াই। মান্নবা অপুনবা মকপনা খুমই মাতুদি চহৌবা নুমিত্তগী হেৎতুনা মসিং থীবিবা থা থাগী নুমিং মসিঙ ৩০/৩১/২৯ সাবিবা অসিনা নুমিৎকী থা থাগী চৈচৎনি অতুগা পোইন্নগী থাসিবমদাই নত্রগা রাকচীং, ৭/৮ নি পানবা হায়বসিনা থাবাননি। হিন্দুগীস্থ নত্রগা বেঙ্গলীসিংগী থাবানগী থা অমা চৈচং নুমিৎকী থা অমা লৈ। অতুগা মখোয়গী চহী হৌবগী অমসুং চৈচং/তাবিখ পানবা সোলর মন্ট, সোলর ইযার সিজিন্র অতুগা থাবাননা কৃষ্ণ পক্ষে, সুক্লনা পক্ষে হায়তুনা থানিল অমদগী থানিল অমাফাওবা নুমিৎ ২৯½ গা (২৯/৩০) সাবা থাবু থাবানগী থানি হায়না খংনে। তৌ ইগুম্বস্তুং থা অনিমক্কী মমিংদি অমত্তনি। চহী অমগী নুমিৎ মসীঙ থীবদি রাকচীংগী চৈচং ১ চৈহৌবদগী থীদুনা নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬ ফাওবা পোইন্নুগী চৈচৎ ৩০ দা লোয়ন্নে।

থাবান না চৈচংকী মতুং ইনংদা তাক তাকপনি। চৈচংনা মুমিৎ মসীগ থীবনি, থাবান্না লাই-তিনগী থৌরম তৌনবা থাবান (তিথি) তাকপনি। ঙসি মীতৈনা ইপাল, লান্নথৌরম অমমুং ফিবোই তৌবিবসি ৎুমিৎকী থৌরমনি, মরমদি খুংথেক্কী মুমি মসিঙদা পাংথোকলি।

মান্নবা অপুনবা মরূপকী থাপালোন (কেলেন্দর) গী মুমিং খুংপা অসি অমমুং ডিসেম্বরগী ৩১ দা জানুরারীগী ১ দা চহৌবা তাবিবসিনা—ইংবাজী কেলেন্দর দা তাংবনি নত্রগা মতৌ তম্বনি হৃ'যনদবা নত্তে। মসিগী পাওখুম "মীতৈ পুযাদা ইহুনা থম্বীবম্বা সৌবোম লাইবেম্বগী মনাওয়পী সনা খোংনাং লৈমবু মুমিত্তা থাজবগী মতাংদা পল্লিরা ুমিৎ কযানা চযোল, থা চহী সাবগী মতাং কযা লৈরি। অতৈ অতৈ পুযা কযাদসু পল্লি। অসিগুম্বা পুযা কযা অসি অবানবা ওইবা তাবরা হাযনা খুমনাকই। অতুগা ঙসি মালেমদা লৈবিবা ফুরুপ (জাতি) খুদিংমক্কা চয়োল অমদা মুমিৎ ৭ নি, থা ১২ না চহ। অমা সাবিবসি, থাসি, থনিল নোংঙানবা, নুমিং তাবা নাইরিবসি কোবৌ নুমিং মালেম অমমুং থা মথোয অহুমগী খোংচংনা ওইহল্লিবনি। মবম অসিনা থাবানবু ঐখোয মীতৈগীনি হাযরুবা মুমি কী খোংচং (সোলব ইযাব) বুনা ইংবাজীগীনি হাযরুবদা মীতোপনা নোকলোইদগী মবম লৈতে। অতুগা কুমসিঙ যামলিবা ঐখোযনাকুমসিঙ য়ামদবা মখোয়দগী পুরুবা নত্রগা মতৌ তমলুবগী রাকম লৈফম থোকতে। মতমগী খোংলৈ মতুংইন্না মতম খরা কাইনরুবা ইমা ঈপাবু, ইমা ইপা

নত্তে হায়বা য়ান্দবগুম মতম সাংনা সিজিন্নরুদ্রবা ইপোংপু মীগীনি হায়বদা অরাবা ওইগনি। মথোয়না ঐখোয়গা অতুক চানতুনা মানরুবা অমত্তুং হুমিংকী খোংচংপু কুপনা থংবা মান্নরুবনি হায়জ-নিংই। মসিদা মীয়ান্না চীংননিংঙাই লৈতে হায়রিংই। মরুপ অসিগী থাপালোন (কেলেন্দর) পুথোকপা/ফোংবা খৃঃ ১৯৮৬ দা ১০ লক শুখ্রে। অহ্গা লাল্লিবস্থ চুম্নবস্থ অতোপ্পা মীতৈগী ওইবা থাপালোন (কেলেন্দর) অমত্তা ফোংবা ঙাস ফাওবা থেংনদ্রি, অমত্তুং ঙমদ্রি ফোঙদ্রি। মীয়াম্না কেথেলদা উরিবসিদি মীতোপকী খুংহোং খুংপাদা মীতৈনা মমিং হাপনগা ফোংবা ঙাক্তনি। মীতৈ ইনাং চংগা মীওই কাংলুপনা, মীতৈগী খুংহোংতা অমত্তা পুথোকপা লৈত্রি।

চহী মথল ঃ—

কোবৌ হুমিং মালেম অমত্তুং থা অসিগী খোংচংনা হুমিং থাবান, থা অমত্তুং চহ সারিবসি মালেমদা লৈরিবা মীয়াম্না খংনরবনি। অহুম অসিগী খোংচংনা ওইবা চহী অসি মখল অনি হুই। ১। থাগী চহ (লুনর ইয়ার), ২। হুমিংকী চহী (সোলর ইয়ার) নি নুমিৎকী চহ দা থাগী চহী তুংইন্দুনা চান্নবা ওইহনবা চহি (লুনর-সোলর ইয়ার) ওইগদবনি।

থাগী চহী (লুনর ইয়ার) ঃ—

থানা মসাগী খোঙচং মালেম লৈসাবু অমুক্তং কোয়তুনা হান্নগী মফম অহৃদ থুঙবদা হুমিং ২৭ঠ (হুমিং ২৭ পুং ৭ মিঃ ৪৩)

চংই। থানা মালেম লৈসাবু হুমিৎ ২৭⅓দা কোইরিঙৈদা মালেম মহাকস্থু মসাগী পুংজৈ (এক্সিস) দা লৈনা লৈনা কোরৌ হুমিৎপু কোয়বদা খরা লৈথোকখিবা অতুদা থানা হৌথিবা মফম অতু হায়বদি লৈথোকখিবা মফম য়োৎদা পুন্না হুমিৎ ২৯½ চংই। মরম অসিনা থাগী থা অমা হায়বসি হুমিৎ ২৯½ না সাই। হুমিৎ ২৯½ ওইনা য়াদবনা অমুক্তা নুমিৎ ২৯ না থা অমা সাই, অমুক্তা নুমিৎ ৩০ নিনা সাই। করিগুম্বদা ২৯ অনিরক নত্রগা ৩০ অনিরক থংনবস্থু য়াওই। অতুবু মীয়াম্না থাগী থা (Luner month) অসি হুমিৎ ৩০/৩০ না সাই হায়না লৌনৈ, তৌইগুম্বস্থুং রাফম অসি চুমই নত্রগা লাল্লি খঙগে হায়না নিংলবদি অফোংবা কেলেন্দর (থাবান য়াওবা) অমদা থা থাগী মসিং থীরগা খংগনি। থাবানগী চহী (লুনর ইয়াস) অমদা হুমিৎ ১২×২৯½=৩৫৪ ওই; ঐথোয় মীতৈনা থাবানগী থা সাবসি নোংমা পানবদগী থাসি ফাওবা ওই অতুগা হীন্দুসিং বেঙ্গলীসিংনা থাবানগী থা অমা অসি পুর্নিমা মতুং নোংমা কোনদবগী (১৬ নি পানবদগী) মথংগী পুর্নিমা ফাওবা লৌই; নুমিৎ মসিংদি চপ মান্নে। মীয়াম্না নোংমা পানবদগী থানিল (পুনিমা) ফাওবদা নোংমা নোংমগী মিনিট ৫০ ঙনখংনা থা থোরকপা উগনি। অতুগা থানিল (পুনিমা) দগী থাসি ফাওবা নোংমা নোংমগী মিনিট ৫০ খেংননা থা থোকলকপা উবিগনী। থাবানগী পুংফম অসি নোংমা পানবগা/নিনি পানবগা ৮নি পানবগা মান্নদে। অদুদি মখাদা পীজরি।

১যা অমসুং ১৬ নি পানবা পুং ২৩˙৬২ ওই
২নি অনসুং ১৭ নি পানবা পুং ২৩˙২৫ ওই
৩ নি অমসুং ১৮ নি পানবা পুং ২২ ৮৭ ওই
৪ নি অমসুং ১৯ নি পানবা পুং ২২˙৫০ ওই
৫ নি অমসুং ২০ নি পানবা পুং ২২˙১২ ওই
৬ নি অমসুং ২১ নি পানবা পুং ২১ ৭৫ ওই
৭ নি অমসুং ২২ নি সানবা পুং ২১˙৩৭ ওই
৮ নি অমসুং ২৩ নি পানবা পুং ২১˙০০ ওই
৯ নি অমসুং ২৪ নি পানবা পুং ২০˙৬২ ওই
১০ নি অমসুং ২৫ নি পানবা পুং ২০˙২৪ ওই
১১ নি অমসুং ২৬ নি পানবা পুং ১৯˙৮৭ ওই
১২ নি অমসুং ২৭ নি পানবা পুং ১৯˙৪৯ ওই
১৩ নি অমসুং ২৮ নি পানবা পুং ১৯˙১২ ওই
১৪ নি অমসুং ২৯ নি পানবা পুং ১৮˙৭৪ ওই
১৫ নি অমসুং ৩০ নি পানবা পুং ১৮˙৩৭ ওই

থানা থোকপদা মতম থেংথবা অমসুং ঙনখংনা থোকপা অমসুং থাবানগী পুংফম অসি পুং ১৮ ৩৭ দগী পুং ২৩˙৬২ ফাওবা পুংফম থেংনবনা নোংমগা নিনিগা ৭ নিগা ৮গা ১৪ গা ১৫ গা ২৯ নিগা ৩০ নিগা ৩০ নিগা ১ পানবগা পুনসিনবা অমসুং নোংমা অনিরক পানবা ১১ নি (একাদসী) অনিরক পানব', থাসি অসিরক ওইবা য়াওরিবসিনি। মীয়াম্না মসি খংদবদগী, ছোজিক্কী মতমদা পানজী মসীগু য়াম্বদগী অমনা অমা হায় অমনা অমা হায় হায়না ঙাংনরি।

নুমিৎকী চহী (সোলার ইয়ার)

মালেম লৈসানা মসাগী পুঙজৈ (এগ্রিস) তা লৈনা লৈনা কোয়ৌ নমিংকী অকোয়বদা কোয়হুনা হান্ন ী মফম অহুদা থুংলবদা নুমিং ৩৬৫ পুং ৫ মং ৪৮ সেং ৪৭ (নুমীৎ ৩৬৫ মীতৈ পুং ১৫ নাছুম ১১ মীকুপ ১৭) চংবৰু নুমীংকী চহী হায়না খঙনৈ। মালেম লৈসানা মসাগী পুঙজৈদ অমুক্তং মপুং ফামা উংবদ হৌজিক মতনগী পুং ২৪ (মীতৈ পুং ৬৪) চঙই। নোংয়াই অমদগী মথংগী নোংয়াই ফাওবা নোংম নত্রগা নুমিৎ অমা হায়না লৌনৈ। নোংমগ নোংমগা তাইনৈ, অনিহুগী তাইবফম ময়াইনি হায়হুনা নোংয়াই হায়না কৌনৈ।

নুমিৎ ৩৬৫ সি মফম মরি থোকপা মফমদ নুমিৎতগী থ্বাইদগী লাপনা লৈবা, থ্বাইদগী অহিং সাংবা নুমিৎ পোইন্থু চৈচং ২২ দ ওই। অনিশুবা মফমনা অহিং-নুংথিল সাংবা তেনবা মান্নবা নুমিৎ লমতা চৈচং ২১ দ ওই। অহুমশুবা থ্বাইদগী অহিং তেনবা অমসুং থ্বাইদগী সাবা নুমিং ইঙা চৈচং ২১ ওই অমসুং মরিশুবা অহিং নুংথিল সাংবা তেনবা মান্নবা নুমিং লাংবন চৈচং ২২ দা ওই। অহানবা মফমদগী অনিশুবা মতম য়ৌবদা নুমিং ৮৯ (পোইন্থু ৩০—২২=৮+ৱাকঃ ৩১+ ফাই ২৯ + লমতা ২১) অনিশুবদগী অহুমশুবা মফমদা থুংবদা নুমিং ২৯১ (লমতা ৩১—২১=১০+ সজিবু ৩০+কালেন্ ৩১ + ইঙা ২১) চংই; অহুমশুবা মফমদগী মরিশুবা মফমদা থুংবদা নুমিং ১৩ (ইঙা ৩০—২১=৯+ঈঙেল ৩১+থৱান ৩০+লাংবন ২৩) চংই; অমসুং মরিশুবা মফমদগী

অহানবা মফম য়োৎপদা নুমিৎ ৯১ (লাংবন ৩১—২৩=৮+মেরা ৩০ + হিয়াঙ্গৈ ৩১ + পোইঃ ২২) চংই। মরম অসিনা মালেম ইমানা মফম অমদগী মফম অমদা থুংনদা নুমিৎ মসিঙ খেনন অসিনা থা[illegible] নুমিৎ সাব নুমিৎ ৩১ নবা [illegible] নবগা ২৯ না সাবিবনি। নুমিৎকী চহী মসিঙ থাবদা নোংমাইজিংদগী থাংজা ফাওবা লোনসিন্দনা হনজিন্দনা থীবগুম থা থাগী নুমিৎ মসীঙ ২৯দগী ২৯ ৩০/৩১ ফাওবা লোনসিন্দনা অমসুং হনজিন্দনা থীজুন নুমিৎ ৩৬৫ রোমনা সাবা হচবু নুমিৎকী চহী হায়না খঙনৈ

নুমিৎ ৩৬৫ রোমসি সারকপদা নোংমাইজিংদগী থাংজ ফাওবা ওইবিবা নুমিৎ ৭ নিনা ওননা থীরকপনা ওইরকলিবনি। অন-য়োমদা নুমিংকী মসীং তবেং তনি অহুগী চহী অমগী নুমিৎ মসীঙ ৩৬৫ নি। মরম অসি লৈবনা চহোম অমগী নুমিৎ মসিং/মসিং তবেৎপু পাথংবনা ফাংখোং কোইব, অহুগা কোবো নুমিৎপু অমুক্ত কোইবদা চংলিবা নুমিৎ ৩৬৫ না শাবা চহীবু সনামহীনা নোংখোং কোইবা হায়না মীতৈগী অরিবা লাইরিক পুথাদা সৈথানরি।

মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ (জাতি) অয়াম্বনা মাগী মাগী থাপালোন (কেলেন্দর) পুথোকপদা নুমিৎকী চহীবু নুমিৎ ৩৬৫ পুং ৫ মিঃ ৪৮ সেঃ ৪৫ অসি লৌনৈ।

অহুমসুবাঃ—নুমিৎকী চহীদা থা ৩ চহীনা তুং ইন্দুনা চাননবা ওই-হনবা চহী (লুনি-সোলার ইয়ার) :—থাবানগী চহী না নুমিৎ ৩৫৪না সাবা নুমিৎকী চহীনা নুমিৎ ৩৬৫ পুং ৫ মিঃ ৪৮ সেঃ ৪৭না সাই থাবানগী চহীনা নুমিৎকী চহীদা নুমি ১১/১১ চহী থুদিংগী রা[illegible]লি

(পুৎ:থ) অমুম্না রাংপা অসি হুমিংকী চহীগা চাননবা হায়রুনা চহী ৩/৩ অমসুং নিপ লপ থারোন্নপা (মালমাস) লৈহুনা- থা ১৩না চহী সাদূনা ১৩×২৯½=হুমিং ৩৮৩½ না চহী সাই। থাবানগী থাগী মমিং অসি হুমিংকী থাগী মমিং লৌহুনা কৌনে। মরম অসিনা হেনগৎলকলিবা থাগী তোংঙাল্লবা মমিং লৈজদে হাযবদি ১৩ সুববু থাগী অতোপ্পা মমিং লৈতবনা অনিবক চপা থীজিল্লিবা অসিনি। তহানবা থাবু অমাংবা থানি হাযহুনা লাইগী থৌবম তৌনদে, অকোনবা থাবু লৌনৈ। থাবানগী চহী নুমিৎ ৩৫৪ না অগুম সাহুনা লৌবা তাববদি কুম্বী কালেন ওন্নবা, হাযবদি ইঙাদা ইংথম থা ওইবা রাকচীংদা কালেন ওইবা য়াওবক্কনি। উহৈ রা হু হৈসোইদনবা, তাওজিং হৈকাংদনবা, সিঙেল লৈবাং লৈসাং লৈমী লৈতম সোইদনবা হাযহুনা থা অনি পানহন্দুনা অহানবা থাবু থাবৌদনা অকোনবা থাবু থাজংনখি।

ঙসিগী মীতৈ অহল ইপা ইতোন ইচিন ইনাওসিংনা মহাক মহাক্কী থৌ চিননখিবনা থ জিনলুদবদগী অমসুং য়েংসিল্লুদবদগী খংনদে। অত্তুগা নুমিৎকী থাগী (সোলর মন্থ মমিংনি হায়ব খং- নখিদ্রে ; থাবানগী থা মমিংতা ওইনা খংনগ্রে। মসিদগী ঐখোয়না খংবা ঙমদে মতুদি থাবানগী চহীনা মথন্তা লেপচবা ঙমদবদগী নুমিৎকী থাগী মমিং অমসুং মসিংদা স্যাইদাংবনি।

মবম অসিনা সজিবু নোংমা পানবা অসি চহী খুদিংগী নুমিৎ মসিঙ, তারিখ খেন্নবা তারি—(১৬-৪-১৯৮০ দগী ৫-৪-১৯৮১ ফাও।

=৩৫৪ নুমিৎ) ; (৬-৪-১৯৮১দগী তাং ২৬-৩-১৯৮২ ফাওহা= ৩৫৪ নুমিৎ ; (২৭-৩-১৯৮২ দগী ১৩-৪-১৯৮৩ ফাওবা ফাওবা= নুমিং ৩৮৪) ; (১৪-৪-১৯৮৩ দগী ১/৪/১৯৮৪ ফাওবা=নুমিৎ ৩৫৪ অমসুং (২/৪/১৯৮৪ দগী ২১/৩/১৯৮৫ ফাওবা=নুমিং ৩৮৪ ওই। মরম অসিনা থাবানদা চৈহোৌবা/চৈরাওবা পাংথোকপা অসেংবা অচুম্বা চহী ওইদে। অমুক্না নুমিৎকী চহী নুমিৎ ৩৬৫ৡ দগী ৱাংপা অতুগা অমুক্না হেনবা থোকলিবসিনি।

(গ্রেগোরিয়ান (খৃস্টাব্দ ইরা) কুমসিঙ

ঙসি মীয়াম্না শনিং থা, চহী সাবা অসি খৃষ্টনা পোকত্রি ঙদা লৈরমদবগুম অমসুং মাগী মতুংদা (মহাক পোকলগা) পুথোক্লকপনি. হায়না খল্লে। খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈগী মমাংদা নুমিৎ, থা চহী পাবা চংনরক্লে হায়বগী খুদমদি যিসুনা জুলিয়স সিজর গী মতমদ, ইংগ্রৰা অহিং ডিসেম্বরগী তাং ২৫ দা পোকই হায়না বাইবলদা অমসুং লাইরিক কয়াদা য়াওরি। চহী খুদিংগী ডিসেম্বর চৈচৎ (তাং) ২৫ দা খৃষ্টমাস নুমিং পাংথোকলি। করিগুম্বা মহাক্কী মমাংদা নুমিৎ, থা, চহী পাবা হৈরমদ্রবদি নত্রগা লৈরমদ্রবদি মহাক্কী নুমিৎ ডিসেম্বরগী তাং ২৫ হায়রিবসি ঙমলমলোই অমসুং মহাক পোকপা নুমিৎ জানুয়ারি ১ হায়না নুমিৎ মসিং থীবা হোৌরম্বা য়াই। ঙসি খৃষ্ট ইরাগী নুমিং থা চহী পারিবা খুৎপা অসি ইংরাজীগী নত্তে, ইংরাজীনা রোম লৈপাক্কী খুৎপা অতু পুরগা ম্বখোয়গী ওইনা সিজিন্নখিবনি।

ইচম চন্না কুপ্ন পাক্দনা মীয়ামগী নুমিৎকী চহীসি নুমিৎ ৩৬৫ নিনা ওই হায়না লৌনরমই। অদুবু রোমনা নিংথৌরেল জুলিযস সিজরগী মতমদা লৈবম্বা অফাওবা খেলহৈবা (পাঞ্জি) সিংনা নুমিৎ ৩৬৫¼ না চহী অমা সাৱবু চহী মরী খুদিংগী নোংমা মাংলে হায়রাস হোৎপদগী ফংখি। যিসুন পোপ্তি্রুভৈ (মমাংদা) চহী ৬৪ দা নিংথোরেল অসিনা চংনবা পথাপ অমা ওইনা চহী মরি খুদিংগী নোংমা হাপতুনা নুমিৎ ৩৬৫ নিগী মতুত্তা নুমিৎ ৩৬৬ নিনা চহী অমা সাগনি হায়না সেমদোকখি। খৃঃ ১৫৮২দা রোম লৈপাক্কী পোপ গ্রেগোরিয়ানা নুমিৎ ৩৬৫ ২৫ না নুমিৎকী চহী অমা সারিবসি নুমিৎ ৩৬৫.২৪২২১৮ না সাগনি অমসুং চহী ৪০০ খুদিংগী (৪০০×.০০৭৭৮২=৩.১১২৪) নুমিৎ ৩নি লৌ-থোক্কনি হায়না হোদোকখি। অদুবু নুমিৎ ৩নিদগী হেল্লিবা ০.১১২৪ সিনা চহী ৩৬০০ (৪০০×৯) খুদিংগী (১১২৪×৯=১ নোংমা) চোংথোক্লিবসি লৌথোক্কনি।

অদুম তৌদুনা খৃঃ ১৫৮২ দা ইউরোপতা লৈবা রোমান কেথোলিক্কী লম পুম্নমক্তা গ্রেগোরিয়ান চুমথোক-চুমসিনগী পথাপ অসি চংনবা হৌখি। চুমথোক চুমসিনগী পথাপ অসি অরোইবা ওইনা ইংলণ্ডদা খৃঃ ১৭৫২ গী সেপ্টেম্বর চৈচৎ ২ দা হৌখি। জপাননা খৃঃ ১৮৭৩, দা চীনানা খৃ. ১৯১২ দা রসিয়ানা ১৯২৪দা অমসুং টর্কিনা খৃ ১৯২৭ চংনবা হৌখি। ঙসি মালেমগী মীয়াম্না চংনরিবা থাপালোন (কেলেন্দর) সিংসি ইংরাজী থাপালোন নত্তে জুলিয়ান (কেলেন্দর) নি।

থাগী মমিংসিঙ :

জানুয়ারীঃ—থোঙসংবা লাই জানুসকী মমিংদগী লৌবনি।

ফেব্রুরারী—রোমানসিংনা অসেংবা থানি হায়না লৌবা ফেব্রুৱাদগী লাকপনি।

মার্চ্চ :—লৌ উবা মতম, লৌ-উবগী লাই অমসুং মার্স গ্রহকু ইকাইখুম্নবা উত্তুনা মমিং থোনখি।

এপ্রিল :—ইষ্টরগী রাইহেনি সেম্রননা ওসট্রেসলোমাথ কৌনন তৌষ্ট-শুম্বসুং মসিগী হৌরকফম ফঙদ্রে।

মে :—রোমানগী লাই সেরৌবীগী মমা হেরিয়াগী মমিংদগী লাকপনি।

জুন :—নুপীসিংগী অমসুং লুহোংবগী জনা কৌবী লাইরেম্বীগী মমিংদগী লাকপনি।

জুলাই :—ইহান হানবদা মঙাশুবা কুইটসকী মমিংদগী লৌদুনা কুইন্টললিয়স কৌরম্বী জুলিয়স সিজরনা থা অসিগী মমিং মহাক মসাগী মমিংদা কৌখি। জুলিয়স কৌবদগী মমৈদা ইংলিসনা জুলাই হায়না কৌনখি।

আগষ্ট :—থা অসিগী মমিং অসি রোমানগী নিংথৌরেল অগষ্টসকী মমিংদগী লৌদুনা কৌখিবনি হান্না থা অসি নুমিৎ ২৬তা সারম্বী অদুবু রোমুলসনা ২ আগষ্টসনা ৩ হাপচিন্দুনা জুম্নিং ৩১ সুখি।

সেপ্টেম্বরদগী ডিসেম্বর ফাওবা লেটিনগী মমিংদা লৌই

সেপ্টেম—সেভেন

ওক্টো —আইট

নবেম —নাইন

ডিশেম—টেন

ডিসেম্বর থা অসি য়াম্না ওল্লীঙৈদা চহী অমবু খাইদোকপা তরাম্নুবা নত্রগা তরানিথোইম্নুবা ওইরম্মী।

নুমিৎসিংগী মমীং

১। সনডে হায়বসি সন (নুমিৎ) কৌবা লাইগী মমিংদগী লাকপনি।

২। মনডে - মুন (থা) কৌবা লাইগী মমিংদগী লাকপনি।

৩। টুইসডে—টুসকো কৌবা লালগী লাই মমিংদগী লাকপনি।

৪। রেডনেসডে—রেডন কৌবা নোং নুংসিৎকী মমিংদগী লাকপনি

৫। থরসডে—থোর কৌবা অথাক-অরাওগী লাইগী মমিংদগীনি

৬। ফ্রাইডে—ফ্রায়া কৌবা নুংসিবগী লাইরেম্বীগী মমিংদগীনি।

৭। সেটরডে—সেটরন কৌবা মতমগী লাইগী মমিংদগীনি।

মসীঙ	কুম(ইরা)গী মমিং	থাগী মমিং ১সুং হুমিং মসিঙ	করম্বা হুমিত্ত চহি হৌবা	চহং লোইং হুমিং	চহী অমগী হুমিং মসিঙ	বনাগী করম্ব কা লপ
১	মালিয়াফম পাল্চা কুমসিঙ ৩৩৮৪	রাকচীঙ ৩১, ফাইলেল—২৯/৩০, লমতা—৩১, সজিবু—৩০, কাল্লেন্—৩১, ইঙা—৩০, ইঙেন—৩১, থরাই—৩০, লাংপা—৩১, মেরা—৩০, হিযাংগৈ—৩১, অমসুং পোইন্সু ৩০।	রাকচাঙ চৈচং অমা ১-১-৩৩৮৪ (ডিং৩১/জাং১)	পোইন্সু চৈচং অরোইব ৩০-১১ ৩৬৮৭ ডিং ৩০, ৩১	হুমিং ৩৬২ পুং মি ৪৮সে ৪৭ হুমিং ৩৬২ নাইতৈ পুং ১৫ নাহুম ১১ মিকুপ ১৭	মান্নবা অপাল, মকপা
২	,,	সজিবু, কালেন, ইঙা, ইঙেন, থবান, লাংবন, মেরা, হিযাংগৈ, পোইন্সু, রাকচীঙ, ফাইরেল অমসুং লমতা (হুমিং ২৯ইনা থা অমা সাই)	সজিবু নোংমা পানবা	লমদা থাসি	হী অনিনা হুমিং ৩৫৪ নিনা সাবা, অহুমসুবা চহীদ চদা হুমিং ৩৮৪ না সাই	মীনক্ত খবর
৩	,,	— চপ মান্নবা —	সজিবু ৭ নি পানবা	সজিবু ৬ নি পানবা	চপ মান্নবা	(ইংলন্দ অমা ১সুং বৈবু মনিম্না)
৪	সল	থাগী মমীং ১সুং মথং মনাঙ মান্নবা তৌইগুম্বসুং থা থাগী মসিং পীদবা অহুমা হুমিংগী চহ ন চুমই তাকসি।	এপ্রীল তাং ১৩/১৪	এপ্রীল তাং ১১/১৩	হুমিং ৩৬৫/৩৬৬	ম ইতৈ মক... অপাকপ মকপ, মনিপুরী ইহ দ
৫	ক্যাম্বা কুমসিঙ ৫০১	থাগী মমীং ১সুং মথং মনাঙ মান্নবা তৌইগুম্বসু থা থাগী হুমিং মসিঙ ২৯ দা ৩১ ফ ওনা লৈতানি।	সজিবু চৈচং অমা ১-১-ক্যাম্বা (এপ্রীল তাং৬)	লমতা চৈচং ২৯ ... (এপ্রীল ২)	হুমিং ৩৬২/৩৬৬	... লনই ...

কনানা কবস্বা কুমসিঙ/থা মমিং/হুমিৎ মসীঙ সিজিন্নবা.

মসঙ	কুম্ব(ইরা)গী মমিং	থাগী মমিং ১সুং হুমিৎ মসিঙ	করম্বা হুমিত্ত চহি হৌবা	চহী লোইবা হুমিৎ	চহি অমগী হুমিৎ মসিঙ	বনাগী করম্বা কাংলুপ
৬	সকাব্দ (হীন্দু) ১৯০৮	চৈত্র ৩০/৩১, বৈসাখ—৩১, জৈষ্ঠ—৩১, অষাঢ়—৩১, স্রাবন—৩১, ভদ্রা—৩১, অশ্বিন—৩০, কার্তিক—৩০, অগ্রহায়ন—৩০, পৌষ—৩০, মাঘ - ৩১, ফালগূন—	১বা চৈত্র (মোর্চ্চ ২১/২২)	ফালগূন- (মার্চ্চ ২০/২১)	হুমিৎ ৩৬৫ পুং ৫ মি ৪৮সেঃ৪৭	হীন্দু
৭	বঙ্গা া চহী ১৩৯২	বৈসাখ - ৩১/৩২, জৈষ্ঠ - ৩১/৩২, অসাঢ় —৩১/৩২ স্রাবন - ৩১/৩২, ভদ্রা ৩১, আশ্বিন—৩০/৩১, কার্তিক ৩০, অগ্রহায়ন—২৯/৩০, পৌষ - ২৯/৩০, মাঘ—২৯ ৩০, ফালগূন ২৯ ৩০, চৈত্র - ৩০/৩১।	১বা বৈসাখ (এপ্রিল ১৪ ১৫)	চৈত্র চচৎ ৩০/৩১ (এপ্রিল ১৩/১৪)	হুমিৎ ৩৬৫ পুং ৫ মি: ৪৮ সেঃ ৪৭	বঙ্গালী
৮	কোল্লাম ইর (কেরেলা) ১১৬১	চিংতিরাই ৩০/৩১, ভৈকাসী ৩১/৩২, অনি ৩১/৩২, আডি ৩১/৩২, অভানি ৩১, পুরৎতাসি ৩০/৩১, আরপিসি ৩০, কর থিগাই ২৯/৩০, মারগালি ২৯/৩০, থাই ২৯/৩০, মাসী ২৯/৩০, পাঙুনি ৩০/৩১।	চিংতিরাই চৈচৎ ১ (আগষ্ট ১৬/১৭)	পাঙুনি ৩০ ৩১ (আগষ্ট ১৫/১৬)	হুমিং ৩৬৫ /৩৬৬	কেরেলা
৯	হেজিরা ইরা ১৪০৬	মহারম, সেফর, রাবিয়ুল্লারাল, রাবিয়ুসানি, জমাডিয়ুসারাল, জমাডিয়ুগানি, রাজাব, সাবান, রামজান, সারাল, জেলকাড, জেলহাজা।	সেপ্টেম্বর ২০	——	হুমিং ৩৫৪ + ১১ = ৩৬৫ (হেজিরা ৯৬৯ দগী সম্রাট আকবরনা সোলর ইয়ারদা ওম্মোকখি।	মুসলিম

মশীঙ	কুম(ইরা)গী মমিং	থাগী মমিং ১সুং হুমিং মসিঙ	করম্বা হুমিত্তা চহি হৌবা	চহী লোইবা হুমিং	চহী অমগী হুমিং মসিঙ	কনাগী/করম্বা কাংলুপ
১০	গ্রেগোরিয়ান (খৃঃ ইরা) ১৯৮৬	জানুয়ারি ৩১, ফেব্রুয়ারী ২৮/২৯, মার্চ ৩১, এপ্রিল ৩০, মে ৩১; জুন ৩০, জুলাই ৩১, আগষ্ট ৩১, সেপ্টেম্বর ৩০, ওক্তোবর ৩১, নবেম্বর ৩০ ১সুং ডিসেম্বর ৩১।	জানুয়ারি চৈচং ১	ডিসেম্বর ৩১	হুমিং ৩৬৫ পুং ৫ মিং৪৮সেঃ৪৭	ম য়াম্না অফিস থৌদোক থৌরম ফরাদা শিজিন্নরি
১১	কলি যুগ (কলি কুমসিঙ)	... ...	ফেব্রুয়ারি ১৭/১৮ নোংয়াই	...	...	...
১২	জোবিয়ান (অংগাং)	... ...	ওক্টোবর ২১	ওক্টোবর ২৫	হুমিং ৩৬১	চহী খুদিংগী হুমিং ৪/৪নি ওনথংকনি মথং চহীদা ওক্টোবর ১৭ (খৃঃ১৯৮৭)
১৩	জে.দিয়ান (থা)	. ...	... ...	...	হুমিং ৩৬৫ পুং ৬-১৫	
১৪	অহোম ইরা (আসাম)	দনচিং, দনকাম, দনসোম, দনসি, দনহা, দনরুক্ক, দনচিত, দনপিত, দনকো, দনচিপ, দনচিপাইত, দনচিপখা।	দনচিং	—	—	অহোমগী অহম্বা থা অসি নবেম্বর ১সুং ডিসেম্বর ২দগী থর থরা লোরগা সাবনি

ময়াংগী মীতৈনা সিজিন্নরম্বা পুং

মিকুপ (মিচুন)	৬০ না নাচুম অমা
নাচুম	২২½ না মীতৈ পুং অমা
পুং (মীতৈ)	৮ না য়ুথক অমা
য়ুথক	৮ না নোংমা

নত্রগা

পুং (মীতৈ)	৬৪ না নোংমা
নুমিৎ	৭ না চয়োল অমা
নুমিৎ	৩০ না থা অমা
থা	১২ না চহী অমা

নত্রগা

নুমিৎ	৩৬৫ না চহী অমা

মিচুন=তাইবঙ পানবগী মীওইবগী থরাই (মিচুন) (Heart) না চুনবা (চোংবা) লেংববু মিচুন চুনবা হায়না খঙদরী। থরাইনা লেংবদা নত্রগা খপপদা চংলিবা মতম অসিবু মিচুন হায়না খঙনৈ।

নাচুম—নিংসা হোন্দোক-হোনজিন তৌববু অমগুং নিংসা অমম হোন্দোকপদা চংলিবা মতম অদুবু নাচুম অমা হায়না থংনৈ।

য়ুথক—ভেঙ্গোংকুম্বা অমগী মনিংদা খজিকতং হোবা অদুদা ঈসিং য়ুচুনা থকলোমদা হাইগংলকতুনা ঈসিংনা ভেঙ্গোং মচুংদা

খরা খবা চংতুনা ঈসিংগী অরুম্বা অতুনা ভেঙ্গোং অতু লুপথখিবা ফাওবদা চংলিবা মতমবু য়ুথক হা য়না খংনৈ ॥

চহী হৌবগী থৌরম—

ঐখোয় তাইবং মীওইবনা হৗংলিবসি কোয়ৌ ইপা অমম্বুং মালেম অনিগী মতেংনা হিংবা ওমজরীবনি। মালেম ইমানা কোয়ৌ ইপাবু কোয়রুবা মপুং ফাবা হুমিংকী মথং হুমিংপু চহী হৌবা অমম্বুং কুমহৌবা পাংথোকলরি। অসিগুম্বা হুমিং অসিদা ঐগোয় মী তৈ ত.হুল ইপা ইপলসিংনা তৌরম্বা থৌরম মখাদা পীজরি।

(৩) পলেম পম্বৌগী সক্তম লৌরিবা মালেম কোয়লৌ অনিগী খোংচৎনা মালেম তাইবংপানদা অনৌবা য়েন্নিং চোংহন্দুনা পুমনৌ নৌহনবগুম তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়ন লৈনরিবা সঙ্গাইম্বু ইনৌ নৌনা সা-হুকচাংগী পান্দমগুম সিত্তোক সেংদোক্নুনা তক ওনান থমগনি। মীওইবা ঐখোয়সু, অনৌবা য়েন্নিং চোংবগুম অনৌবা ফিরোল সেৎপা হোংবা ওমদ্রবম্সু তক তকনা সুদোক চামথোক্কনি।

(২) হুমিং অসিগী অঙনবা অয়ুকতা মালেম ইমানা চহীগী কুমহৌ অঙানবা থাদা পীরিবা অনৌবা য়েনসাং-নাপী, হৈয়াং-লৈরাং চেং, মৈরা য়াওনা লাইনিংথৌ সনামহীগী মকাইফমদা থেলগনি (মপুদা তাকলমলগনি)। মপুদা ইমুংগী মীওই পুম্নমক থৌনিগনি।

(৩) · অথেলপোৎ অহু মৈরা মুংপ্রগা লৌথোক্তুনা থোঙ-থাকনি। থোঙবা লোইরগা চাক য়েনসাং থর থর থাইজোক্তুনা লুক মচা সেমলগা ইমুংগী অহুল অমনা কোম্থোং রাংমদা "হুমু-কোকচাউ হনুলৈখম" কৌবা সরোই ঙারোইদা কুম অমগী ওইনা থাংদোকনি। লুক থাংজোংভম অদু সিংপা রাইতৈ থোকপা মফম অমা ওইগনি। লুক অহু থমলগা ঈসিং থর হৈদোক্তুনা থাং-দোকনি মতুংদা "কুমসি · কুমগী ফত্তবা অরাবা অনাবা পুম্নমক রাংপুলেল খানা চাউবা মকাইফমদা পাম্বা কৈরেল ' অঙৌবা' মপী মচানা মখা পাঙবদা মখা লাওনা ফাকতুনা লৈরিবা লমদমদা হোইথবিখো, অনৌবা কুমগী অফবা মুংঙাইবা পুম্নমক পীনবীয়ু" হায়রগা থুকমজগনি।

(৪) ইমুংদা চংলক্তুনা মপুগী মকাইদা থেম্লুরগা থোঙবা চাক য়েনসাং অহু ইমুং হুপ্না পুম্না চাম্নিগনি। চাত্রিঙৈগী মমাঙদা অথোঙবা য়েনসাং মথেল অহু য়ুমলোম্নবা অমমুং হুংসিবা ঊৎনবমু ওক্কবা অমনি।

(৫) চৈহৌবগী অয়ুক্তা চেং হামুক য়াইঙং তোৎলগা কুম অসিদা তিল কাঙ, কাকৈফেনচিংবা ইংখোলদা লৈতনবা ভিলমু লাইমু ফত্তবা লৈতনবা ইংখোলগী মমুং অমমুং অকোয়বা চাইথোকনৈ।

(৬) চাক চাবা লোইরগা অরাংবা চীঙ কানৈ। চীঙ কারিবসি চাবা ভুমনবা কাবা নত্তে। অনৌবা চহীগী অনৌবা রাখল লৌসিং ফংনবা অমদি অরাংবা রাখল খনবা ঙম্নবা রাখল খনবা ঙম্নবা হায়হুনা কুমসি কুমগী চৈকাবা পীনবীয়ু হায়না মীয়াম

পুন্নমক লিংজেল মান্নবা ছাংমিন্নবা ওমনবা থৌনিনৈ। চীং কাবা ছায়বদি—চীংগী মসক ওইবা মীওইবগী কোক্তা অনৌবা রাখল অরাংবা খনহনবীয়্ ছায়না কোক্তী মসক ওইবা চীংদা কানবনি।

(৭) চৈহৌবা হুমিত্তুগী হুমিং ৫নি শুবা কাওবা কাং সান্নরমই। মসিগী পান্দম অমম্লুং রাহম্লোকতি চহী থা হুমিং পাবগী খুৎপা তম্বা অমম্লুং নৈনবনি। হুমিং মওানি থবক হুদনা কাং সান্নবা অসিবু সিনহেনবা ছায়না খওনরমই।

মম্নাংডৈদা চীংগী লমদা চহী হৌবগী মমাংদা অহিংদা, ইমুং লোয়নমক চাক-চাবা লোইরগা কোললিক ফেংদোক্লগা ইমুং মম্লুং স্নাই তৈথোকলগা ফোংগাগী মৈ লোয়না মুৎথৎলগা, মপান্দা উরোং অমদা তেন কাপ তুনা খুৎ চুস্বা তান্নরমই। উরোং পানবা ওম্ব দুপা (পাখং) মসক মমিং খওহৌরগা ময়ুম ময়ুমদা তুন্নখি। চৈচৌবগী অয়ুক অওনাদা ওরাং উরোং পানখিবা হুপা অতুনা মৈবা চংতুনা মৈ হৌহল্লগা মতুদগী ময়াম্না মৈ লৌতুনা মাগী মাগা ময়ুমদা চাক-য়েনসাং থোংনখি। মৈ অতু কুম অমগী অতুম সিজিন্নরে ছায়নৈ।

কুম হৌবা হুমিং লেপপা

কুম অমগী অহানবা হুমিংপু কুম হৌবা হুমিং অত্থু চহী হৌবা হুমিংনি ছায়বসি ময়েক সেংলে। অতুবু অতুগুম্বা কুম অমা মসক থংদোকলবা হোৎনবদা মথাগীসিডসি খন্ন-নৈনবদা ক্বান্নগনি।

১। কুম অমা পাবদা মহাক্কী মসীগু অমসুং মসীগু লৈগনি।

২। কুমসিগু (ইয়া) অমগী মুক্কিং মসীগু ৩৬৫ লৈগনি।

৩। সুংকাং (লিপ ইয়ার) লৈবা চহী চৈচং মসীগু ৩৬৬ না সাগনি।

৪। থা/থাগী চৈচং মসিগু কয়া কয়ানা গুইগদগে কয়য়া পাগদগে হায়িবগীদমক থাপালোন পুথোক্কনা তেংবাংগনি। কয়া থাদা সুংকাং লুমিং হাপকনি হায়িবসু উংকনি।

৫। পীরিবা কুমসিগু অতু মীখুং চংদ্রিবা পুয়া/অরিবা লাইরিক কয়ানা তেংবাংগদবনি।

৬। থা থাগী রাহুস্থোক মীপোকলোন, মালেমদা হৌরিবাসিংগা অমসুং মীতৈ ইপা ইপুনা থমবিরবা পাওয়ৌ পাউজাক কয়াগা চানবা তাই।

৭। কুম অমগী চৈচং (তারিখ) মসিগু অতুনা অপিবা থা চৈচং কুমাদা করি হুমিং গুইগদগে রেংবদা ফারবগা, মতু হোংপা গুরবরা, ইকোং হোংতনা। কুমসি অসি নিংকোকাবদা চৈহোরবসি মথংগী চহীদা লৈপাকপোকপদা, সুংকাং লৈরগা মুমুকৈদ হুমিত্রা তাগদ্রি হায়বা (চৈচং ৩৬৫ দা ৬না রেলবা ১ রেখা মরমনা কুমগী চৈহৌবা নুমিৎকী মতুং হুমিং অমগা মথংগী চৈহৌবা হুমিং গুইগনি, হুংকা চহী গুইরগা চৈচং ৩৬৬ গুয়া রেনথোকপদা অনি লেমই কুমগী চহীগী হুমিংকী মতুং অনিয়া চৈহৌগনি) গুমলবয়া লেংবা তাই।

খোমজীন ৱাহৈ

ঙসি মীতৈ ঐখোয়না চহী খুদিংগী চৈরাওবগী খোৱম পাং-খোক্লি। তৌগুম্বসুং চহী হৌবগী খোৱমলা কয়দা খোৱমনো হায়বদি ৱাখল অমত্তা তান্নদবগুম ভোৱি। অতুগা অঙ্গম্বা হায়নবসু কৈ মতুদি চৈরাওবরে চহী হাপলে। ৱাহৈংবম য়ুমজাওগী "মনিপুর ইতিহাস" কৌবা খৃ: ১৯৪৭ দা ফোঙবা লাইরিকী লামাই ২২দা য়াওবা ৱাহৈ "সজিবু চৈরাওবা" হুমিত্তা মসিগী মমাংদদি খোক্লাসাং অমগী মতোন্দা সন্নিক থাংলগা নুপা অমনা মতু পায়দুনা সন্নীক মখোল ঞিং ঞিং লাওবগা লোইননা লৈয়ক খুন্নক খুদিং চংদুনা চহী লোইবা হুমিৎলি তাক্লমই। চৈ পাইদুনা লাওই হায়দুনা চৈরাওবা কৌই অমসুং চৈ পাইদুনা কোয়না লাওবা অসি তোকপ্রবসু হুজিক কাওবা চৈরাওবা কৌনরিবা অসিনি" ৱাহৈসিঙসিনা তাকলিবদি হৌজিকী মতমদা মাইক পাইদুনা লাওবগুম মমাংদৌজ্রা মাইক লৈ-ত্রিদৌজ্রা সগোল পাউ চেনবগুম হয়েং অসি অনৌবা চহী হৌরো ঙসিদি চহী লোইরে হায়দুনা সন্নিক পায়দুনা লাওয়রা ভাই। মসিগী চানবা অমনা বেঙ্গলীগী চহী লোয়বা হুমিত্তা চড়ক পূজা পাংখোকই মথংগী নুমিৎ (হয়েং) না মখোয়গী চহী অনৌবা হৌবগী খোৱম পাংখোককনি। মৱম অসিনা চৈরাউবা হায়বা ৱাহৈ অসি 'হয়েংদি অনৌবা চহী হৌগনি, ঙসিদি চহী লোইবা নুমিৎনী হায়দুনা মীয়াম্না থংনবা হায়দুনা লৈয়ক খুন্নক কোয়চং


কোমচংভন। লাউরম্বু চৈরাউবা. কৌরমলিবনি। চৈরাউবনা অনৌবা চহী হৌবনি, নত্রগা অনৌবা কুম হৌবনি হায়না লৌবা য়াদে লৌকমম্ থোক্কে হায়জনিংই। মীতৈ এরৌযোয়গী পালচা কুমসিংগী মসিঙ থীবা হৌবা হুমিং (চৈচং ১) বু মীতৈ এরৌযোয়না চৈহৌবা নত্রগা কুমহৌবা হায়না হায়জনিংই। অসিগুম্বা হুমিং অসি করম্বা হুমিংডা পাংথোকদগে হায়না এরৌযোয় পুন্না থীবা মথৌ তারে হায়জনিংই।

মনিপুর সাহিত্য পরিষদনা ফোংদোক্লবা "চৈথারোল কুম্বাবা" লাইরিক্কী লমাই ১০ গী মমাং হিয়াংলোইনা চৈথাবা হৌবগী মমাংদা থৌলোক পুন্নমক সকাব্দ কুমসিঙদা ইরি থবান য়াওরে হিয়াংলোইনা চৈথাবগী মতুংদনা চৈথাবগী কুম লোক হায়না অমুক ইথরে। অম্মুয়া ইথরকপনা লমাই ৩০ দা সাইরোম মিৎসংগী কুম সক ১৫৭৪ দগী থাবান পন্দুনা থাগী মম্মিং অমম্ হুমিং মম্মিং শিজিন্নরে।

কবোলাংসোংগী কুম সক ১৬৬৩ সজিবু থাদি ২৪ নি মিংথৌ-কাবদা সজিবু পালোক ওইএ (চৈঃ কুম্বাঃ ৯০) হায়না য়াওরি। মসিনা হায়রীবদি সজিবু থাগী ২৪ নি পানবা হুমিংডা চহীসিগী অনৌবা চহী হৌই হায়না ভাকপনি। পালোক হায়বসি থালোক হায়বনি অনৌবা হায়বনি। মসিগী মতুংদগীদি সজিবু পালোক হায়না রাইহে মবা ভাল্লা সিজীন্নরে। অসুম তৌদুনা মীয়াম থর্ক্ক জলকপায়া. মেমলোকপ্রবা চৈথারোল কুম্বাবদা ইথিবসিদগী লৌহুনা মীতৈমিংনা শুনি. কাপ্পবা সজিবু চৈরাউবা হায়না থংনরিবমিনি।


সক্লিপু থাক্না পালোক ওইত্র হায়বা য়াহৈসিনা সজিবু চৈরাওবা শরুক্কিবসি ঐখোয় মীতৈগী মীহৌরোলগী চহী হৌবা কুমিং নত্তে হায়বা মক্কেক সেংলে। খোঁয়ম অসি পামহৈবনা মীয়ান খর লৈগিদবগী চংনরকপা খোঁয়ম অমনি হায়জনিংই। অদুবু মীতৈ ঐখোয়গী অয়িবনি হায়বা য়ানবা অমসুং খর অসিনা পুসিল্লকপা শাক্তনবা হায়রুনা পামহৈবগী প্রমাংদা পানথিবা নিংথৌ মতমদা ইসিলখি.নি হায়জনিংই। মীতৈগী অরিবা পুয়া/পুরান/লাইরিক কুয়া সজিবু থাগী নোংমা পানবদা নত্রগা ৭নি পানবদা চহী হৌই। কুমহৈ.ই হায়রবা অমত্ত উত্রি অমসুং থেংত্রি, পুখোকপু পুথোক-রকত্রি। অসুম চংনরকই অহল লমল হাকতঙ্কগী তৌরকপামি হায়রুনা এপ্রিল তাং ১৩/১৪ দা চৈরাওবগী খোঁয়ম হেক হেক পাংথোকনরি। মীওই খরনা এপ্রিল থাগী তাং ১৩/১৪ দা চৈ-রাওবসি মীগী মতৌ তম্বনি হায়রুনা তোকথোক্লগা কুমিং খর ওনখৎপা নত্রগা চপ মান্নবা কুমিং অমসুং তারিখসু মান্নবা সজিবুগী 'নোংমা পানবদা চৈরাওনরি। থোইদোক্না চুমই লাক্লি হায়ঘখী রাকম নত্তনা এপ্রিলগী তাং ১৩/১৪ দগী কুমিং থরনিংঙৈ হৈনখরদা অমসুং সজিবু চৈরাওবা হায়রা থংনারিবা খরমনা হীপু খর চংপা মীওইসু মীতৈ ইনাৎ চৎপা কাংলুপসু 'হেক্কা য়াসিনখা য়াওরি। মসিনা তাক্লিবদি মীতৈ অয়াম্বমা মীগীদা তাক্তুনা 'অমছুং জানবা পাংথোকপা পামনরকত্রে। মীয়ামদা হায়জনিংমদি.হেক্ক-হোকলা. তাক্লবসি মসুং তানা খল্লগা অমদি পুরম চায়েঙ্কমপ্লা লৈবা অমুদা খত্থোকপনা চুমথাদরা হায়না হায়জনিংই।

মীয়াম্না ঙাংনরি মতৃদি—অমনা অম হায় অমনা অমা হায় করম্বনা অচুম্বনো ঐখোয় থংদে (নখোই মসেল অমুক্তা মাম্নখো অতৃগা ঐখোয় কোননা য়াওরককে। রাফম অসিগী মতাংদা হায়জনিংবদি অইবা মীওইসিং নত্রগা ইনাৎকী মীওইনা ঙাংনরিবসি, মহাক মহাক্না থেংনবা লাইরিকসিং অতৃদা য়ুমফম ওইরগা ঙাংরনি অমমুং ইবনি। অচুম-চুমদগী রারেপ রায়েঙ্গ লৌগদৌরিবসি পানিরিবসিংনা নত্রগা তাবিরিবসিংনা কুপ্না পাবিহ্না নৈনবিরগা হংবা য়াং। রাহং কয়াদা ফংলকপা পাউসিং খুদম চাংদম হেন্না ফংবা ইসা ইসাবু থাজহনবা ওম্বা লাইরিক লাইবু (থৌরম) অতৃদা অচুম চুমদা লেপফম থোকই হায়না হায়জনিংই। অচুম চুমদ থীগদবা মীয়াম্না অচুম-চুমদবা থীত্রবদা কনা।া হায়বিরনি। অইবসিংদ অমমুং ফুকুপসিংদা তাইনফম থোক্কে। অমুক্কী মতিক চাউখৎলবা মতম অসিদা মী অমনা অমবু হুন্নতুনা চৈনবা অমমুং লাউনবগী মহুত্তা কাংলুপ খুদিংগী মীহুৎ য়াওহ্না পুম্না ফমমিন্নতুনা সাইন্সটিফিক ওইবা ভুংগী চাদোন সুদোন অমমুং মীতোপনা ককপা ঙমলরোইদৌবা কুমহৌবা/চেহৌবা অচুম্বা অসেংবা অমথক্কুং লেপথোকপা মতম ওইরে হায়জবগা লোয়ননা মতাং অসিদা লোইশিনজরে।



মৈনবা লাইরিকসিঙ

(১) এডভান্স ইকিসেরিস (২) দি মৈ.ঙ—বাই টি, সি হডসন (৩) এরিথমেটিক—রোই চক্রবর্ত্তি (৪) চৈথারোন কুম্বাবা (৫) টেক্স বুক ওন অমফেরিকেল এষ্ট্রোনোমি - ডবলসিউ, এম অসমার্ট (৬) এ, মেন্যুয়েল ওফ ইলিমেণ্টরি সাইন্স—রাধেশ্যাম (৭) সক্ষোংলোন টি, বোকুল (৮) ওন ফিকসিং দি ডেট ওফ চৈরাওবা ডবসলিউ ইবোহল (৯) পোম্বীলাং-নিঙোম্বম মনিজাও (১০) সজিবু চৈরাওবা শীংসংপগী মঙং—ইরোম অযুবা (১১) অরিবা মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস—খেলচন্দ্র সিংহ (১২) ফোংদোক্লবা রাকোকলোন হি লেল থিলেল সমাই অমাইলোন পুকোক পুরা (১৩) ফোংদোকলবা রাকোকলোন থিলেল সমাই অমাইলোন পুকোক পুরা (১৪) রাকচীঙ চৈহোবা—মায়বা অপুনবা নরূপ (১৫) মনিপুরগী ইতিহাস রাহেংবম যুমজাও (১৬) কংলৈ নিংথৌ চহী ভারিয়াম্বম কুলচন্দ্র সিংহ (১৭) থারোন—এন, ইবোচৌবা (১৮) সনামহী লাইনিংগী সজিবু চৈরাউবা (১৯) ইমোনু অহোংবীগী চুংনকম—বৃদ্ধি অমসুং নিংথৌমচা মনিস্না (২০) মীতৈ ইনাং মীকম কয়াগী চে কয়া অমসুং পাউজেল চে কয়া।



ফং ফম

১। থোং নম্বোনবী রবর ষ্টাম্প ৱার্কস 'এরিয়ান হোল)

২। গৌরেন্দ্রম দমু এণ্ড সন

থঙ্গাল বজার, ইম্ফাল।

৩। লাই তোম্বা লৈমজম লৈকাই, ইম্ফাল।

৪। অইবগী রুম, কৈসামপাৎ কৈসাম লৈকাই ইম্ফাল।

Printed at :-

United Printing & R,S Wɩrks. Nipa keithe', Imphal